www.sanaleibak.in

# ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ SANALEIBAK সনালৈবাক

PROGRESSIVE JOURNALISM

24 Carat/g : ₹ 15,918
22 Carat/g : ₹ 15,160
1 Kg Silver : ₹ 2,43,000
10 Gram Silver : ₹ 2,410
WEATHER: Light Rain
Temperature 29/22°C
Sunrise: 04:44 AM
Sunset : 05:57 PM
Petrol : ₹ 106.87
Diesel : ₹ 92.57
GAS TODAY Nill
sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 256 | IMPHAL, WEDNESDAY, AUGUST 26, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | য়ুমশকৈশ, থৱানগী ১৩ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

মীৎনা অতোপ্পগী মমায় উরগা মশাগী উদ্বগুম মীশিংনা অতোপ্পগী অশোয়বতমক উই, মশাগীদি উদে

## শাশিন্নবা ছনা য়োনবগী মতাংদা পব্লিক এদভাইজরি থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ শঙ্গোমদগী শাবা ছনা নত্তবা ছনাগা মান্নবা অমসুং শঙ্গোমগী মহুৎতা মনা মশিংগী ফেট অমসুং প্রোটিন ওইনা শীজিন্নবা পোৎশকশিং ছনা শারগা য়োনবগী ফুট সেফটি এন্দ ষ্টেন্দরস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা মীৎয়েং চংলে। হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুরগী হেল্থ সার্ভিসেস ...মখা লমায় ৫দা...

## চুরাচান্দপুরদগী খূৎলায় কয়া ফংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চথবা সর্চ ওপরেসন অমদা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওল নবিল অমদি নেপালি বষ্টিনচিংবা ফোরেষ্টকী এরিয়াদগী য়াম্লবা খূৎলায় ফংবা ঙমখ্রে।

সর্চ ওপরেসন অদুদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফংবা ঙমখ্রবা খূৎলায়শিং অদুদি এম এম ৮১গী চাইনিজ মোর্টার ১, পোম্পী ৩, এক্সপ্লোসিভকী মচাক কে জি ২, এম এম ...মখা লমায় ৫দা...

## ইনুংঙানবগী খূৎয়েক চৎনরোইঃ পি দব্লীউ জি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ কে সি পি (পি দব্লীউ জি) এম সি য়ুনিফিকেসনগী হান্নগী দিপ্যুতি ফাইনান্স সেক্রেটরি ইনুংঙানবনা খূৎয়েক পীবা লেটর হেদ ঙসিদগী চৎনররোই। ননাওতোন নিংথৌজানা খূৎয়েক পীবা লেটর হেদ চৎনরগনি হায়না লুপ অসিগী সেন্ট্রেল কম্মিটি (মিলিটরি কাউন্সিল)না মীয়ামদা খঙহল্লকখ্রে। ...মখা লমায় ৫দা...

## গাড়ী ১৫০ হেন্না চংলকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ নেসনেল হায়ৱে ৩৭তা পন্দুনা লৈরম্বা চান থব্লবা অমদি নুংতি নুমিৎ খূদিংগী শীজিন্নদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুরকপা গাড়ী ১৫০ রোম চংলকখ্রে। গাড়ীশিং অসি সেক্যুরিটিগী অকন্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলকপা লাকখিবনি হায়রি।

## লোইরেদনা

লাইরিক্তু ওইরোইদবনিনা তমনিংদ্রে পোলিটিক্স ওইনা তম্বা পাম্লে



সবাস ইচা তোম্বদি মাঙলরোইহে

## হেক্তা হায়জিনবা

## শিংইদকো দিল্লি

শিংইদকো দিল্লি
পঙইদকো মৈতে
শিংদেদকো নাগা
ফত্তেদকো কুকি
শান্নহল্লিদকো দিল্লিনা
অমদা অমা হায়জিন
অমদা অমা তমশিন
অমদা অমা ইনশিন
চিক্লহল্লি অমগা অমগা
লাউনহল্লি অমগা অমগা
কাপনহল্লি অমগা অমগা
অমা অমুক কৌনি তোঙান্না
কৈনো অমা হায়জিননি
অমা অমুক কৌনি তোঙান্না
থাজহননি কৈনো অমদা
থৌজিননি চুই চুই
নাকোয়ননা হৈ–শিংনা
ফত্তেদকো কুকি
শিংদেদকো নাগা
পঙইদকো মৈতে
শিংইদকো দিল্লি।

# সেনাপতিদা য়ুম মৈ থানখ্রে, নোংমৈ কাপ্লখ্রে কোব্রা য়াওনা সেক্যুরিটিনা ওপরেসন চথখ্রে

## সি আর পি এফকী সব–ইন্সপেক্টর অমা শোক্লে, কোটুনা কন্দেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তাফৌ অমসুং অকোয়বা খুলশিংদা খুন্দাবা কুকি অমসুং নাগা ফুরুপকী মরক্তা য়ুম মৈ থানদুনা চাওনা উংখৎনবা থোকখ্রে, নোংমৈসু কাপ্লখ্রে। নোংমৈ কাপ্লবা অদুদা সি আর পি এফকী সব–ইন্সপেক্টর অমা মখোঙদা নোংমৈ মরুনা পানবদগী শোকখ্রে।

থৌদোক অদুবু কম্মিটি ওন ত্রাইবেল য়ুনিটি (কোটু) কাংপোকপীনা কন্দেম তৌরক্লি।





থৌদোক অসি ঙরাং অয়ুক অঙনবা পুং ২.৪০ রোম তাবা অদুৱাইদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট তাফৌ কুকি খুলদা খঙহৌদনা য়ুম মৈ চাক্লকপদগী হৌরকখিবনি। মফম অদুদা য়ুম মৈ চাকপগী পাউ ফংবদগী ফায়র সার্ভিস কাংবু অমা লাকপদগী য়ুম মৈ চাকপা অদু কন্নবা হোৎনবদা মফম অদুগী খুঞ্জাশিংনা অথিংবা পীবদগী য়ুমশিং অদু তুম্না চাকখি হায়রি। থৌদোক অদুগী মতুং পুং ৪ রোম তাবা অদুৱাইদা মফম অদুদগী খরা চংলগা লৈবা ৯শুবা মণিপুর রাইফল অমসুং মরৈমৈদা নাগাশিংগী য়ুম খরা অমসু অমুক মৈ চাক্লকখি।

পুলিসতগী ফংবা পাউ অমদা থৌদোক অসি হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা কুকি অমসুং নাগা ফুরুপ অনীগী মরক্তা থোক্লিবা উংখৎনবা থৌদোক অসিগা মরী লৈনরমগনি হায়না থাজনরি। কুকি অমসুং নাগা ফুরুপকী য়ুম অমমম শকখঙদবশিংনা মৈ থাদোক্লরবা মতুং অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্লবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। নোংমৈ কাপ্লবগী থৌদোক অদুদা মফম অদুদা দ্যুতি তৌদুনা লৈবা সি আর পি এফকী ৩৬শুবা বট্টালিয়নগী সব–ইন্সপেক্টর প্রদিপ সিংহ ওই থংবা মখোঙদা নোংমৈ মরুনা পানবদগী শোকখি। শোক্লবা পর্সোনেল অদু সেনপাতি হোস্পিটালদা পুখৎলবা মতুং হৌজিক খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়রি।

থৌদোক অদু থোক্লকপদগী মখা তানা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা অহেনবা সেক্যুরিটি ফোর্সেসকী পর্সোনেলশিং চঙশিন্দুনা ইরাং অদু কন্ট্রোল তৌখি। লোয়ননা খুঞ্জাশিং মীপায়নবদগী খুল থাদোক্তুনা চৎনখি। তুংদা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর ...মখা লমায় ৫দা...

### এক্সাইজগী রাইজিং দে পাঙথোক্তুনা মনা লান্থোকখ্রে

# অতেনবা মতমদা এক্সাইজ দিপার্টমেন্টনা ক্রোর ২৯গী রেভিন্যু তানবা ঙম্বা থাগৎনিংঙাইনিঃ সি এম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ অতেনবা মতমগী মনুংদা এক্সাইজ দিপার্টমেন্টনা ষ্টেট অসিগী ক্রোর ২৯গী রেভিন্যু তানবা ঙম্বা থাগৎনিঙাইনি হায়না চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম্ফেলপাৎতা লৈবা এক্সাইজ হেদ ক্বার্টরগী ওফিসতা ঙসি ৭৯শুবা মণিপুর এক্সাইজগী রাইজিং দে পাঙথোক্তুনা মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপা মীওইশিংদা মনা লান্থোকপগী থৌরমদা ৱাফম অসি চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবনি।



থৌরমগী অথোয়বা মীথুংলেনগী ৱারোল থম্লদুনা সি এম খেমচান্দনা হায়, চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ ২৬তগীনা হৌজিক ফাওবদা চহী অমা ফাদ্রিঙৈ অতেনবা মতমগী মনুংদা এক্সাইজ দিপার্টমেন্টনা ক্রোর ২৯গী রেভিন্যু খোমগৎপা ঙম্বা অসিমক থাগৎনিংঙাইনি। মণিপুর এক্সাইজ দিপার্টমেন্ট মপাঙ্গল কলহনবা হায়বসি তঙাইফদবা অমনি। এক্সাইজগী ইমপ্লোয়ী এসোসিয়েসন্না থেংনরিবা অৱাৎ অপাশিং মেনখৎনবা লৈঙাক্লা অথুবদা কৃপ্পা মীৎয়েং চঙলগনি। কুমজা ২০২৩গী মেদগী হৌদুনা মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিগী শেন্মীৎলোনদা চৈথেং কয়া মায়োক্লহল্লি। অসিগুম্বা চৈরক অসিদা ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেল সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মণিপুরগী ৱাথোক লান্থোক অসি লোইশিন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়খি।

থৌরম মপুগী ৱারোল থম্লদুনা ফাইনান্স কম্মিস্নর এন অশোক কুমারনা হায়, এক্সাইজ দিপার্টমেন্টনা ষ্টেট অসিগী শেন্মীৎলোনগী ফিভম ফগৎহন্নবা অমদি মীয়ামগী হকশেলগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং কয়া লৌরি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু দিপার্টমেন্ট অসিবুসু হেন্না ফগৎহন্নবা অঙন্বা থৌদাং লৌরি। দিপার্টমেন্ট অসিগী ষ্টাফশিংগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অথুবদা মীৎয়েং চঙলক্কনি হায়বগী থাজবসু লৈ হায়খি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ১০শুবা এরোবিক সিন্নাষ্টিক এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপতা গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবা ...মখা লমায় ৫দা...

## সিটিং ৩ লৈগদবা ৮শুবা এসেম্ব্লী মীফম সেপ্টেম্বর ২দগী হৌরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫(এস এন এস)ঃ হৌজিক লৈরিবা ১২শুবা ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী ৮শুবা সেসন লাক্লিবা সেপ্টরম্বর ২ য়ুমশকৈশা নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা ঙসি বিজিনেস এদভাইজরি কম্মিটি (বি এ সি)গী মীফম পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুনা সেসন অসি সিটিং ৩ লৈদুনা সেপ্টেম্বর ৭ লোইশিন্নবা প্রোভিজনেল কেলেন্দর শেম্বদা য়ান্নখ্রে। সেসন অসিগী অহৌবা নুমিৎতা দিমান্দ ফোর সপ্লিমেন্টরি গ্রান্ট ২০২৬–২৭গী ফার্স্ত বেটচ পুথোক্কনি। অদুগা গভর্ণমেন্ট বিল খরসু পুথোক্লবা য়াই। মথং নুমিৎতা দিমান্দ ফোর সপ্লিমেন্টরি গ্রান্ট জেনরেল ওইনা খন্ন–নৈনগনি হায়রি। সেপ্টেম্বর ৪দগী ৬ ফাওবা নুমিৎ হুন্নিদি সেসন অসিগী সিটিং লৈরোই। অদুগা সেপ্টেম্বর ৭ নিংথৌকাবা নুমিৎকী অরোইবা সিটিংদা দিমান্দ ফোর সপ্লিমেন্টরি গ্রান্ট ২০২৬–২৭ মখা তানা খন্নদুনা পাস তৌগনি অমসুং সপ্লিমেন্টরি গ্রান্ট অসিগা মরী লৈনবা এপ্রোপ্রিএসন বিল পুথোকপগা লোয়ননা বিল অদু খন্দুনা পাস তৌনবা হোৎনগনি হায়নসু প্রোভিজনেল কেলেন্দর অদুদা পল্লি।

## মীতোপকী মখূত্তা পোলিটিকেল পাৱার শীন্নদনবা লৈঙাক্লা চপ চাবা থৌশিল পায়খৎকদবনিঃ লূপ ১৪



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫(এস এন এস)ঃ লৈবাক অসিগী অশেংবা মীওই নত্তবা মীতোপশিংগী মখুত্তা পোলিটিকেল পাৱার শীন্নদনবা ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা চপ চাবা থৌশিল পায়খৎকদবনি হায়না লূপ ১৪না ফোঙদোরক্লি।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি কবুই য়ুনিয়ন মণিপুর, কোম য়ুনিয়ন মণিপুর, রোংমৈ নাগা মণিপুর, মৈতে পাঙল মণিপুর অমদি আই দি পিশিংগী মীহুৎ য়াওনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোরটিন সি এস ও কংলৈপাক্কী কনভেনর নাহাকপম শান্তনা হায়, মণিপুরদা দিলিমিটেসনগী থবক থৌরম অমত্তা পায়খৎত্রিঙৈ মাঙওইননা লৈবাক অসিগী অশেংবা মীওইশিং খঙদোক্লবা নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিটিজেন্স (এন আর সি) অপদেট তৌবগী থবক পায়খৎলু হায়দুনা লূপ ১৪ অমদি তোঙান তোঙানবা কাঙলুপ ফুরুপশিংগী লুচিংবশিংনা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর, রেজিষ্টর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সনচিংবা ওথোরিটিশিংদা তকশিন্দুনা লাক্লি। ...মখা লমায় ৫দা...

## হোম মিনিষ্টর অমিত শাহগা সি এম খেমচান্দগা ঙসি উন্নরগনি





ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫(এস এন এস)ঃ য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা কৌরকপদগী চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দ ঙসি দিল্লি তম্না পাইশিনখ্রে।

থাজবা য়াবা পাউগী লীখুন অমগী মতুং ইন্না হয়েং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহগা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দগা উনগদৌরিবা অসিদা ...মখা লমায় ৫দা...

## মীয়ামগী মায়োক্তা এসেম্ব্লী সেসনদা ৱারেপ লৌরক্লবদি অকনবা ইহৌ লাক্কনিঃ অমুকো

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫(এস এন এস)ঃ চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ২দগী হৌগদৌরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লী মীফম অসিদা মীয়াম্না তাক্লিবা দিমান্দ অসিগী মায়োক্তা করিগুম্বা ৱারেপ লৌরকপা তারবদি ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) অমদি মসিগা চৎমিন্নরিবা লুপশিংনা মীয়ামগা লোয়ননা অকনবা ইহৌ কয়া চঙশিল্লক্কনি হায়না অমুকোগী প্রসিদেন্ট সেরোকখাইবম সঞ্জয়না ফোঙদোকখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি অমুকো অমদি মসিগা চৎমিন্নরিবা লুপ ৫ অসিগী মরু ওইবা লুচিংবশিংনা শরুক য়াদুনা ক্বাকৈথেলদা লৈবা অমুকোগী ময়াই লোইশঙদা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

পাউগী মীফম অদুদা সোরোখাইবম সঞ্জয়না মখা তানা হায়, অসামদা কুমজা ১৯৭১দা বেজ ইয়র ওইরগা কুমজা ২০১৩দগী কুমজা ...মখা লমায় ৫দা...

## তুংগী মীরোলশিংগী য়েংলগা লুচিংবশিংনা থবক পায়খৎপীয়ুঃ তোম্বা

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫(এস এন এস)ঃ মণিপুরদা চঙশিল্লক্তুনা লোকায়বা মওংদা খুন্দাশিন্দুনা লৈরিবা ইমিগ্রেন্টশিং এন আর সি অপদেট তৌদুনা খন্দোক্কদবনি। এন আর সি অপদেট তৌদনা সেন্সস তৌবা য়ারোই। লুচিংবশিংনা তুংগী মীরোলশিংগী য়েংলগা থবক তৌবীয়ু হায়না ফাউন্দেসন ফোর রুরেল অর্বান দিভলপমেন্টকী প্রসিদেন্ট তোম্বনা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

কেম্পেন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি)না এন আর সি অমদি সেন্সসকা মরী লৈননা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা ফাউন্দেসন অসিনা মপূং ফানা শৌগৎকনি। মণিপুরগী লৈঙাক পায়রিবা লুচিংবশিংনসু ঙাইহাক ঙাইহাক্কী রাজনীতিগী খূদোংচাবা য়েংলগা মণিপুরগী মীয়ামদা মীনম্বা, অপঙবা শীবগী হৈনবী ৱাখল অদু থাদোকপীয়ু। জেনিমস হোস্পিটালদা লৈত–লায়রবা মীওই কয়া লায়েংবা লাক্লি। ...মখা লমায় ৫দা...

## য়ুনাক্কো স্কুল চনুংগী মহৈরোয়শিংনা ওল্ড এজ হোমগী অহলশিংগা পুকমেন পাউমেন্নখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫(এস এন এস)ঃ য়ুনাক্কো স্কুল চনুংগী মহৈরোয়শিংনা ওল মণিপুর ৱিমেন এসোসিএসন (এ এম দব্লিউ এ) নোংমৈবুংনা চলাইরিবা ওল্ড এজ হোমদা চৎতুনা হোম অসিদা লৈরিবা অহলশিংগা পুকমেন পাউমেন্নদুনা মখোয়গী অৱাবদা শরুক য়াখ্রে।

য়ুনাক্কো স্কুল চনুংগী প্রিন্সিপাল পোৎশংবম সুরচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নোংমৈবুংদা লৈবা ওল্ড এজ হোমদা চৎখিবা



খোঙচৎ অদুদা য়ুনাক্কো স্কুল চনুংগী প্রিন্সিপাল মশামক, এ ও, ৱার্দেনশিং অমদি মহৈরোয় কয়াসু শরুক য়াখি। খোঙচৎ অসি য়ুনাক্কো স্কুলনা শীনবা কম্যুনিটি সর্ভিস প্রোগ্রামগী মনুংচন্না মহৈরোয়শিংদা ...মখা লমায় ৫দা...

## মীয়ামগী দিমান্দ থবক্তা ওন্থোক্ত্রবদি জুন ১৮দগী হেন্না শাথিবা খোঙজং লাক্কনিঃ সুনিল করাম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫(এস এন এস)ঃ মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা অথুবা মতমদা দিল্লিদা চৎতুনা সেন্টরগী লুচিংবশিংগা উনদুনা ষ্টেট অসিদা এন আর সি অপদেট তৌরবা মতুং সেন্সস তৌবিয়ু হায়না তকশিন্দুনা মীয়াম্না তাক্লিবা দিমান্দ অসি থবক্তা ওন্থোক্তবা তারবদি জুন ১৮দা থোকখিবা থৌদোক অদুদগী হেন্না শাথিবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি)গী ফাইনান্স সেক্রেটরি সুনিল করাম্না ফোঙদোকখ্রে।

নো এন আর সি নো সেন্সস হায়বা জে এফ দিগী খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি অথোকপম মৈরা পায়বী অপূনবা লুপ অমদি অথোকপম অপূনবা ক্লব, থৌবালনা শীন্দুনা থৌবাল অথোকপম বজারদা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অসিগা মরী লৈননা সুনিল করাম্না মখা তানা হায়, জে এফ দি অমদি লমদম অসিগী মীয়াম্না মতম কুইনদগী লৈঙাক অসিদা তকশিন্দুনা লাকপা এন আর সি তৌদ্রিঙৈদা সেন্সস তৌবা য়ারোই হায়বা অসিদা লৈঙাক অসিনা তাবিদবা তারবদি মীয়াম্না হৌরকপা ইহৌশিংদা থোরকপা অফ–ফত্তা খূদিংমক লৈঙাক অসিনা পুগদবনি। মীয়ামগী ...মখা লমায় ৫দা...

## কঞ্জুমর্স ক্লবকী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ কঞ্জুমর্স ক্লব মণিপুরগী ৩৫শুবা মপোক কুমওনগা ইরোইননা কঞ্জুমর্স এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খুম্বোং মমাঙ লৈকাইদা লৈবা ব্রাইটর একাদেমিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সি এ এফ এন্দ পি দিগী জেইন্ট দিরেক্তর ওইনাম ইন্দিরা চনুনা অথোইবা ...মখা লমায় ৫দা...

## মোরে হোস্পিটালগী ডাক্তর জোইন্ট তৌদবগী ইম্ফাল মোরে লম্বী বন্দ চথরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫(এস এন এস)ঃ মোরে হোস্পিটালদা ডাক্তর জেইন্ট তৌরদবদগী নেসনেল হায়ৱে নম্বর ১০২ ইম্ফাল মোরে লম্বীদা কৌখিবা মতম কক্তবা বন্দ মপূং ফানা চথরি।

মণিপুর লৈঙাক্লা ওর্দর থোক্তুনা মোরে হোস্পিটালদা পোষ্টিং পীখ্রবা ডাক্তরশিং হৌজিক ফাওবা জোইন্ট তৌদনা লৈরিবা অসিগী মায়োক্তা হিলস ত্রাইবেল কাউন্সিল, মণিপুরী মুস্লিম কাউন্সিল মোরে, টামিল সঙ্গম মোরে, গোরখা সমাজ সামিতি মোরে য়াওনা মোরেদা লৈবা কম্যুনিতি লুচিংবশিংনা মতম কক্তবা বন্দ কৌখিবনি।

পনবা য়াই, মোরে হোস্পিটালগী অৱাৎপা ডাক্তরশিং থাবিরক্লবা মোরেগী কম্যুনিতি লুচিংবশিংনা হৌখিবা জুলাই ১৪দা মণিপুর গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লাগা উনখি। মদুগী মতুং ইন্না থা ...মখা লমায় ৫দা...

### ৪৫শুবা হোকর দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

## ‘চাওখৎপা, হেন্না খূৎমাং চাওশিনবা মণিপুর ওইনবা ইং তপ্পা পুরক্লবা হোৎনসি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ চাওখৎপা অমদি হেন্না খূৎমাং চাওশিনবা মণিপুর অমা ওইহন্নবা লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়াম অমদি অমগা অমগা নুংঙাইনদ্রবদি কাংলুপশিংগী লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নদুনা ইং তপ্পা পুরকপা চঙই হায়না চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর হোকর এসোসিয়েসননা শীন্দুনা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দতা পাঙথোকপা ৪৫শুবা হোকর দেগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা মখা তানা হায়, লমদম অসিদা চহী ৩ হেল্লক্লবা কনফ্লিক্ট অসিনা নেসনেল হায়ৱেগী লম্বীশিংদা চথোক চৎশিন য়াদবনা মরম ওইরগা য়ুমথংনরিবা ষ্টেটশিংদা



লমদম অসিগী মীয়াম্না ফ্লাইটতা অয়াম্বা চৎলি। অদুবু ফ্লাইটকী টিকেট মমল হেনগৎলকপা কয়া অসিদগী খরদা ওইরবসু শাফনবগীদমক চহী অহুম হেন্না চথোক চৎশিন য়াখিদ্রবা নেসনেল হায়ৱেশিংদা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সার্ভিস হৌদোকখ্রে। মসিদা নুমিৎ হুন্নি শুরকপদা কাংলুপ অনীগী মরক্তা য়ুম মৈ থানরকপগী ইরাং অমুক হন্না থোরকখি। অদুমকপু হায়ৱেশিং অসিদা চৎলিবা মীওইশিংগী খন্দুনা খৎনরিবা কম্যুনিতি অনীগী লুচিংবশিং নীংথিনা ৱারী শান্নদুনা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সার্ভিসদা অকায়বা পীহন্দনবা হায়দুনা তেক্তা কাইদনা চৎহনখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাংলুপ ফুরুপ খূদিংমক্লা মণিপুর ঙাক্তুনা লাকপনি। মরম অদুনা ঐখোয় খূদিংমক্লা মণিপুর কনবগী থৌদাং অমত্তা ওইনা লৌফম থোকই হায়খি।

থৌরম অদুদা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা ইমা চেংহিগী ফাউন্দর সনসম বীরেন্দ্রনা হায়, ...মখা লমায় ৫দা...

## ইন্দিয়া লৈঙাক্লা য়েংলিবা মীৎয়েং অমদি চথরক্লিবা থৌওংশিং থেংননবা শেম শারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫(এস এন এস)ঃ ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লমদম অসিদা য়েংলিবা মীৎয়েং অমদি চথরক্লিবা থৌওংশিং অসি থেংননবা ঐখোয় খূদিংমক্লা শেম শাদুনা লৈসি হায়না পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুর (পি এল এম পি এ এম)গী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ অপাবী লৈমনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টক খুয়াথোং পুখ্রি অচৌবা মপালদা কম্যুনিটি হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগী ৪১শুবা মপোক কুমওনগী থৌরমগা মরী লৈননা ৱাফম অসি মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌরগা লমদম অসিদা ঙসি ফাওবদা ইন্দিয়াগী শারৌলাংদা কুকি টেরোরিষ্টশিংবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নদুনা চথরক্লিবা লাল্লোংশিং অসি মীয়াম্না য়ানিংদে। মরমদি কুকি টেরোরিষ্টশিংবু ইন্দিয়ানা খূৎলায় ওইনা শীজিন্নদুনা লমদম অসিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া অসি থোকহনবনি। লোয়ননা মণিপুর মুথৎপা হায়বসি ইন্দিয়াগী মঙলান ওইরিবনি। কাঙলুপ ফুরুপ কয়ানা খুন্দারিবা লমদম অসিদা ঐখোয় মশেল নুংশিন্নদনবা, অমগা অমগা হাৎনহল্লগা ঐখোয়গী পাঙ্গল ময়েং তাহন্দুনা ...মখা লমায় ৫দা...

সনালৈবাক কী টেলিফোন নম্বরশিংঃ সার্ক্যুলেসন অমসুং ওফিসকীনা 8787846223 দা, গ্যাসকীনা, 9402247588 দা, ঈ–পাউগী ওইনা 8830812368 দা, এডভর্টাইজমেন্টকীনা 9436829185 দা পাউ পীবিবা য়াগনি

# মণিপুর কনসি, মণিপুর মৈ চাকহনগুমসিঃ ৱাঙম্বা

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫(এস এন এস)ঃ

মীয়ামগী খোঙজংদা লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা কিহন খঙহন্দুনা মীয়ামগী ইহৌ নমথনবা হোৎনরিবা অসি মখা তানা চত্থরকপা মতমদা করি ওইরকপা য়াই হায়বদু খঙবীয়ু। মণিপুর কনসি, মণিপুর মৈ চাকহনগুমসি হায়না জে এফ দি ষ্টুদেন্টস ৱিংগী কনভেনর নাওরেম ৱাঙম্বনা ফোঙদোকখ্রে।

জে এফ দি ষ্টুদেন্টস ৱিংগী লমজিং মখাদা তম্ফাসনা গার্লস (টি জি) হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী মশীং য়াম্লবা মহৈরোইশিংনা চঙশিনখিবা খোঙজংগা মরী লৈননা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

টি জি হায়র সেকেন্দরী স্কুলদগী থোরক্লগা মেন রোর্দ ফাওবদং চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা নাওরেম ৱাঙম্বনা মখা তানা হায়খি, সেন্সস পাঙথোক্লিঙৈদো এন আর সি অপদেট তৌগদবনি হায়না লমদম অসিগী মীয়ামনা তোঙান তোঙানবা মখলগী খোঙজং কয়া লেপ্তুনা চঙশিল্লি। অদুবু লৈঙাক অসিনা তম্পাক্কী মফমশিংদা থিংজিনখ্রবা সেন্সসকী ত্রেনিং সেন্টর কয়া চীংগী মফমশিংদা হাংদুনা ত্রেনিং শীল্লম্বা অসি লাইবক থিবনি। ঙসি মহৈরোই খুন্নাইনা মহৈ তম্বা তোকথোক্তুনা লমজাও শোরোক্তা খোঙজং চঙশিল্লিবা অসি করি মরমগীনো হায়বদু লুচিংবশিংনা উফম থোকই।

মীয়াম্না চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা মীচম মীয়াম ঙাক শেন্নবা লৈরিবা সেক্যুরিটিশিংনা নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা পুবগী মহুৎ খোঙজংলোইশিংবু কিহন খংহন্দুনা নমথনবা হোৎনরিবা অসি মখা তানা তৌবীগনু। মতুং তারকপদা অসিগুম্বা থৌওং অসি চত্থরকপা তারবদি মদুদা করি ওইরকপা য়াই হায়বদু লৈঙাকপশিংনসু খন্থবা চুমগনি হায়না ফোঙদোকখি।

স্কুল অসিগী গার্লস কম্মন রুমগী সেক্রেটরী এলাংবম ভেলেন্টিনানা হায়, মহৈরোইশিংনা ঙসি মহৈ তম্বা তোক্তুনা লমজাও শোরোক্তা থোরক্লগা খোঙজং চঙশিল্লিবা অসি লৈবাক মীয়াম পূম্বগীনি। মহৈরোইশিংনা ইংনা চিক্না চৎনবা থৌরাংবা খোঙচৎ অমা পুলিস পার্সনেলশিংনা মপুং ফাহন্দবা হায়বসি নুংঙাইতে। মহৈরোইশিংনা লৈবাক অসিগী খল্লগা সেন্সস তৌদ্রিঙৈদো এন আর সি অপদেট হান্না তৌগদবনি হায়বা খোঙজং অসিদা অথিংবা থন্বা অসি মতুংদা তৌহন্নিংদে হায়খি।

# হোম মিনিষ্টর অমিত শাহগা সি এম খেমচান্দগা ...

*লমায় ১গী মখা...*

হৌজিক হৌজিক লৈবাক মীয়াম্না এন আর সি অপদেট তৌদনা সেন্সস পাঙথোকপা য়ারোই হায়না হৌরিবা ইহৌ, নেসনেল হায়ৰে মপুং ফানা হাংদোকহন্নবা অমদি কেবিনেট মিনিষ্টর এক্সপান্দ তৌবগী মতাংদা খন্নরবা য়াই হায়রি।

পনবা য়াবদি, চহী ৩ হেল্লবা ফাওবদা লাঞ্জেন্নরকখ্রবা আই দি পিশিং ঙসি ফাওবা মশাগী য়ূম য়ূমদা হঞ্জিনবা ঙমদনা লৈরিবা অসিনসু মরম ওইরগা পেন্দবগী খোল্লাও কয়া লাউনরিঙৈ চৈরক অসিদা এন আর সিগী ৱাফম অমুক হন্না লাকপদগী ষ্টেট অসিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া লেপ্পা লৈতনা থোল্লকখিগনি। এন আর সি অপদেট তৌদনা সেন্সস তৌবা য়ারোই হায়না পাক শন্না ইহৌ হৌরকপদগী ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা স্কুলশিং ছুটি থাদোকখিবগী থৌদোক লৈখ্রবনি। পাক শন্না মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা ৱাকৎ মীফম, মৈরা রেল্লি য়াওনা মহৈরোইশিংনা এন আর সি অপদেট তৌদনা সেন্সস তৌবা য়ারোই হায়না ইহৌ য়ান্না কন্না চঙশিল্লিবনি।

চৈরক অসিদা, চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা কৌরকপদগী দিল্লি তম্না পাইশিনখ্রে তাবদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগা করি করম্বা ৱাফমশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনগদগে হায়না মীয়াম্না লাংতক্লরকপগা লোয়ননা করম্বা নুংঙাইবা পাউ পুরকপা য়াই হায়না খন্ন-নৈনবা ফাওবা হৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, নুমিৎ নীনি হুন্নি মমাঙদগী এম এল এ কয়া দিল্লিদা লৈদুনা এন আরসি অপদেসন তৌবীনবা মরী লৈনবা মিনিষ্টরশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবগী খোঙজং অমসু চঙশিল্লিবনি। অদুবু লুরিবদি দিল্লিদা লৈরিবা এম এল এশিং অসি শুপ্নগী এ সি খরখক্তগীনি। অয়াম্বা এম এল এদি হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অসিদা অদুমক লৈরি। ফিভম অসি উবদা লৈবাক মীয়াম্না হান্নদগী এম এল এ মিনিষ্টরশিংদা থাজবা ৱাৎলম্বা অদু অমুক্কা হেন্না হেনগৎলকখ্রে।

# মীয়ামগী মায়োক্তা এসেমব্লী সেসনদা ৱারেপ...

*লমায় ১গী মখা...*

২০১৯ ফাওবা এন আর সি পাঙথোকখিব অদুসু মপুং ফানা ওইখিদে। হৌজিক অসামদা চঙশিন্দুনা লৈরিবা বংলাদেশীশিং অসি মপুং ফানা খন্দোকপা ঙমদনা লৈরিবনি। অমদি মণিপুরদসু হৌজিক হৌজিক বংলাদেশী, ম্যান্মার অমদি নেপালি কয়া অমা চঙশিল্লকপনা মরম ওইরগা মৈহৌরোলদগী লৈজরক্লবা লমদম অসিগী মীওই মশিংদগী মখোয়না হেনগৎলকপা য়াবগী অচৌবা ফিভম অমদা লাক্লি। মরম অদুনা এন আর সি হান্না তৌদ্রিঙৈদো লমদম অসিদা সেন্সস পাঙথোরকপা তারবদি অমুকো অমদি চৎমিন্নরিবা লুপশিংনা কৈদৌনুংদা য়াবা ঙল্লোই। লমদম অসিদা শরুক্তা চত্থরিবা এস আই আর অসিদসু মওং মরিল তাদবা কয়া য়াওরকপগী পাউ তারক্লিবা অসিসু তশেংনা লাইবক থীবা অমনি। মরু ওইনা ষ্টেট অসিদা পুলিসনা লো এন্দ ওর্দর মপুং ফানা কন্ত্রোল তৌবা ঙমদনা লৈরকপগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক কনফ্লিক্ট জোন কয়া লৈরিঙৈ ফিভম অসিদা সেন্সস পাঙথোকপা য়ারোই হায়বা মীয়ামগী ইহৌ লৈবা মরন্না সেন্সসকা মওং মান্নবা এস আই আর অসি লৈঙাক্না চত্থরকনি হায়না অমুকোনা লৌই। মসিগী মথক্তা এন আর সিগী মহুৎ এন আর আই সি হায়না কুমজা ২০০৩, ২০০৯ অমদি ২০১৯দা পুথোরক্লিবা অসি মণিপুরগী মীয়ামদা চমন্নবা কয়া থোকহন্নবা শীনবা থৌশিল অমনি।

মহাক্না হায়, কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী থোল্লক্লিবা ৱাথোক অসি লোইদ্রিঙৈ চৈরক অসিদা হৌজিক লৈঙাক অসিনা সেন্সস অমদি এম আই আরদি পাঙথোক্লবা হোৎনবা লেপত্রি। অদুবু মীয়ামগী অপাম্বা এন আর সি অসিদি লৈঙাক অসিনা কুকি মীয়ামগীদমক খল্লগা পাঙথোক্লবা হোৎনদ্রিবরা? মণিপুরদা খুৎ থেকপা ঙমদনা মীতোপ কয়া চঙশিল্লক্লে হায়বা খঙলবা ফাওবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা এন আর সিগী ৱাফম অসিদা লুম্না লৌদ্রিবা করিগীনো। লোয়ননা ষ্টেট লৈঙাক্লসু মখোয়গী ওইবা ৱারেপ অমা লৌদুনা সেন্টরদা করিগী তকশিনবা ঙমদ্রিবনো হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরক্লি।

দিল্লিদা চৎখিবা লমদম অসিগী এম এল এশিংসু মখোয়গী ওইবা ৱাফম অমত্তা হৌজিক ফাওবা লৈবাক মীয়ামগী মফমদা ফোঙদোকপা ঙমদনা লৈরিবা অসিসু তশেংনা লাইবক থীবনি। মরম অদুনা অসিগুম্বা ৱাহন্থোক লৈতবা অমদি লম কোইবা খোঙচৎ অমা ওইনা চৎপগী থবক্তি ঐখোয়গী লুচিংবশিংনা তৌদবা ফৈ হায়খি।

# ইন্দিয়া লৈঙাক্লা য়েংলিবা মীৎয়েং অমদি চত্থরক্লিবা...

*লমায় ১গী মখা...*

মখোয়না শেমনিংবা মওংদা মণিপুর অসি শেম্বা হায়বগী ৱাখল্লোন্দা থৌওং কয়া চত্থরক্লিবনি। মরম অদুনা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি ঐখোয় খূদিমংক্লা থেংননবা শেম শাদুনা লৈসি। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবশিংনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা খোঙফম চেৎনা লমদম অসিগীদমক লেপমিন্নসি। ঐখোয়গী অপূনবগী পাঙ্গলনা চঙশিল্লকপা থবক্তা ঙমদবা অমত্তা লৈরোই হায়বসি খঙমিন্নসি। মরম অদুনা ঐখোয় পুনশিনসি, থৌনা ফনা লৈবাক অসিগীদমক কখোকপা অমগা লোয়ননা মণিপুর কন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়খি।

মহাক্না হায়, কুমজা ১৯৮০গী মতমদা লমদম অসিদা আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্টকী মখাদা মখল মখা কয়াগী মীওৎ মীনৈ চত্থখিবা অমদি মীওই অমবু ফানিংবা মতমদা ফাদুনা হাৎনিংবা মতমদা হাৎখিবদা নত্তনা অশিবা হকচাং ফাওবা থীবা খঙহনখিদবগা লোয়ননা নুপী অঙাং ইকায় খুম্নবা মাঙহন্দুনা তমথিনা হাৎখিবা থৌদোকশিং অদুগী মায়োক্তা লাইওইখ্রবা ইমা কোন্বীনা মতম অদুদা মণিপুর মীয়ামগা খূৎশন্নদুনা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু কুমজা ১৯৮৫গী ওগষ্ট ২৫দা পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপুনবা মণিপুরনা লুপ অমা ওইনা শাফোং লকখিবা নুমিৎ অদুদগী হৌরগা ইমা কোন্বীনা লুচিংদুনা মণিপুর মীয়ামগীদমক অচৌবা থৌদাং কয়া লৌদুনসু লাকখি। অসিগুম্বা লুপ অসিগী লুচিংবী লাইওইখ্রবী ইমা কোন্বীনা মতম অদুদা চঙশিল্লম্বা খোঙজং অদু ঙসিগী মীরোলনা তুং ইন্দুনা অমদি ইমা অসিগী খোঙ্গুলবু মুৎতনবা হায়দুনা অচৌবা থৌদাং কয়া য়াদুনা ঙসি ফাওবদা লাক্লিবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপুনবা লুপকী প্রসিদেন্ট সোরাইসম মেমচা, এম ই পি দব্লীউ এ কেকী প্রসিদেন্ট আর রেঙসোঙ্ক কোইরেং অমদি অমৰোভাগী এদভাইজর সি ঐচ উশারানী য়াওনা মরু ওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

# ইনুংঙানবগী খূৎয়েক চৎনরোই...

*লমায় ১গী মখা...*

লোনা থীংখ্রবা লুপ অসিগী পি আর ও চিংখৈঙানবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কনাগুম্বনা হান্নগী দিপ্যুতি ফাইনান্স সেক্রেটরি ইনুংঙানবনা খূৎয়েক পীবা লেটর হেদ শীজিন্নবা থেংনরবদি অথুবদা পাউ পীবিগা লোয়ননা মখোয়বু ফাজিন্দুনা লোকেল ক্লব, মৈরা পায়বী অমদি মরী লৈনবশিংদা খূৎশিন্নবীয়ু।

পার্টিগী মায়খুম উপ্তুনা পার্টিগী লান্না উহন্নবা হোৎনরিবা মীওইশিং অকনবা চৈরাক পীরগনি হায়নসু ফোঙদোক্লদুনা মশাগী ওইজবা খক খন্দুনা মীয়ামদগী শেনখাই থুমখাই তৌরিবা লৈশাংখোঙ য়ুম্নাম লৈকাইদগী ওইনাম থোইবা, মহাক্কী লোয়নবী ওইনাম ওংবী পাকপী দেবী অমদি ওইনাম অচৌবা হায়রিবা মীওই অসি নুমিৎ ৫নি ফাওবগী মনুংদা পার্টিগা পাউ ফাউনরক্কদবনি। মখোয়না পার্টিগী চৎনা পথাপকী ৱাংমদা অচৌবা শেনফম কয়া খোমগৎতুনা মরনাই নুংঙাইনবা হোৎনদুনা লৈরে হায়নসু মীয়ামদা লাউথোক্লি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# চুরাচান্দপুরদগী খূৎলায় কয়া ...

*লমায় ১গী মখা...*

৩৯গী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরুশিং, এমটি কেস ৬, এম এম ৫.৫৬কী এমটি কেস ৯, পোম্পী সেল ২, চাউরাক্লা মিটর ১০মুক শাংবা কোর্দেক্স ৱায়র মেজরিংগী পোৎলমশিং, দিটোনেটর ৪, বি পি জে হার্নেস ২, হেলটমেট ৩, বেলেষ্টিক হেলমেট ২, জঙ্গল সু ১২, সিভিল সু ৮নচিংবনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, ঙরাং ওগষ্ট ২৪দা সি দি ও ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ২৮শুবা এ আরগী কম্বাইন্দ টিম অমনা চত্থখিবা সর্ছ ওপরেসন অমদা শগোলমাঙ পি এসনা কোনবা শিনাম কোম ভিলেজদগী খূৎলায় কয়া ফংবা ঙমখ্রে। সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফংবা ঙমখ্রবা খূৎলায়শিং অদুদি এস এল আর রাইফল ১, মেগজিন ১, ইন্সাস রাইফল ১ মেগজিন ২, কন্ত্রিমেদ পোম্পী গন ১, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ২, হেন্দগ্রেনেদ ৩, এম জি টু মোর্টার সেল ২, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৪৫, বি পি প্লেট ৪, বি পি জেকেট ৮ অমদি হেলমেট ২ ফংবা ঙমখিবনি।

লোয়ননা মণিপুর পুলিস, সি আর পি এফ, আর এ এফ অমদি কোব্রাগী অপুনবা টিম অমনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা জে সোংতুন ভিলেজদগী কন্ত্রিমেদ ১২ বোর গন ২, টুয়েল্ভ বোর গন ১৪, টুয়েল্ভ বোর গনগী নোংমৈ মরু ১,২২৫, ৱায়রলেস সেট ৬, চার্জর ৩, গোল্ডন এন্টলর টেলিস্কোপ ১, বি পি ভেষ্ট ১৮ অমদি পাউস অমসু ফংবা ঙমখিবনি হায়রি।

## খাগেম্পল্লি আইদিএল ক্লব হায়গদবনি

থা অসিগী ২৩দা লৈকাই ১৪না শীল্লগা চৎখিবা রেল্লিদা পাউচে অসিনা ইখিবা পাউদা খাগেম্পল্লি খুরাইজম ক্লব হায়খিবা অদু খাগেম্পল্লি আইদিএল ক্লব হায়গদবনি।

# জোনেল লেভেল কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫(এস এন এস)ঃ

সমগ্র শিক্ষাগী মীৎয়েং মখাদা জোনেল এদুকেসন ওফিস জোন ৱান ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি সমগ্র শিক্ষা (ইলিমেন্টরি) মণিপুরনা পুন্না খূৎশন্নদুনা ক্লাস থ্রিদগী ৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোইশিংগী ওইবা জোনেল লেভেল রিটন ক্বিজ কম্পিটিসন, এসে রাইটিং অমদি মেকিং প্রদক্ট ফ্রোম ৱেষ্ট মেটরিয়েলগী ওইবা কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে।

ইকো ক্লব ফোর মিসন লাইভ হায়বা পাউজেলদা লম্বোইখোংনাং খোঙদা লৈবা নেতাজি সুভাস চন্দ্র বোস অৱাসিয়া বিদ্যালয়দা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা য়ুথ এন্দ ইকো ক্লবগী কো ওর্দিনেটর মোইরাংথেম রাকেশ কুমারনা ফোঙদোকখিবদা সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট রুলস ২০২৬, দ্যুটিজ ওফ ৱেষ্ট জেনরেটর অন্দর সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট রুলস ২০২৬ অমদি রিদ্যুস রিয়ুজ এন্দ রিসাইকল সোলিদ ৱেষ্ট হায়বা তোঙান তোঙানবা থিমদা গভর্ণমেন্ট স্কুল, এদেদ স্কুল অমদি প্রাইভেট স্কুলগী মহৈরোইশিংনা শরুক য়াদুনা কম্পিটিসন অসি পাঙথোকপনি। ঙসিগী কম্পিটিসন অসিদা মকোক মথং তারবা মহৈরোইশিংনা দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্পিটিসনদা অথোই অহেন তান্নহন্দুনা মদুদগী খনগৎলকপা মহৈরোইশিং অদুনা ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্পটিসনদা শরুক য়াগনি হায়খি।

থৌরম অদুগা মরী লৈনা কম্পিটিসন অদুদা মকোক মথং তারবা মহৈরোইশিংদা শেলগী মনা, সাইটেসন অমদি শকখঙচেশিং লান্থোক্তুনা মহৈরোইশিং অদুবু পূক্নিং থৌগৎখি হায়রি।

# নুমিৎ নিনিগী নেসনেল সেমিনার হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫(এস এন এস)ঃ

রাধা মাধব অদর্শ সংস্কৃত মহাভিদ্যালয়া নম্বোল বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ হিষ্টোরিকেল রিছার্স, আই সি ঐচ আরগী স্পোন্সর মখাদা নেসনেল সেমিনার অমা চীংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিসেল গ্রান্দেগী ইম্পরিয়েল হোলদা পাঙথোকখ্রে।

‘দ হিষ্টোরিকেল এক্সপ্লোরেসন ওফ শ্রী জগনাথ কলচর ইন নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া ৱিথ স্পেসিয়লে রিফরেন্স টু মণিপুর’ হায়বা হীরমদা ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ নীনি চত্থগদবা থৌরম অদুদা ফোর্মর মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এক্সটর্নেল এফিয়ার্স গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া রাজকুমার রঞ্জন সিংহনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মশক নাইবা হিষ্টোরিয়ান, সংস্কৃত স্কোলার, রিছার্সর, একাদেমিসিয়ান্স অমসুং ইন্দিয়াগী তোঙান তঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা মশক নাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা রাধা মাধব অদর্শ সংস্কৃত মহাভিদ্যলয়া নম্বোলগী আই ক্যু এ সি সেন্টরগী কোওর্দিনেটর অশেম ওপেন্দ্রোনা হায়, থৌরম অসি মণিপুরদা ইং-তপ্পা পুরক্লবা পান্দমদা পাঙথোকপনি। মণিপুরদা লৈবা তোঙান তোঙানবা লাইনিং লাইশোন চৎপশিং করন্না পুন্না থবক তৌমিন্নগদগে হায়বগী মতাংদা অখং অহৈশিংনা লম্বী থিনবা পাঙথোকপনি হায়খি।

থৌরম অদুদা জগনাথ ত্রেদিসন অমসুং ইন্দিয়াগী নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনগা মরক্তা লৈনরিবা হিষ্টোরিকেল, কলচরেল অমসুং সিভিলাইজেসনেলগী মরিগী মতাংদা শরুক য়াখিবা অখঙ অহৈশিংনা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি।

# য়ুনাক্কো স্কুল চনুংগী মহৈরোয়শিংনা ওল্ড ...

*লমায় ১গী মখা...*

মীনুংশি, থৌজাল, সোসল এৱার্নেস অমদি খুন্নাইগীদমক লৌফম থোকপা থৌদাংশিং অদু খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোক্তুনা লাকপনি।

খোঙচৎশিং অসিগী মনুংচন্না অঙম্বা মতেং কয়া পাংবগা লোয়ননা হোমদা লৈরিবা অহল-লমনশিংগা পুকমেন পাউমেন্নদুনা মখোয়গী অৱাবদা শরুক য়াদুনা লাক্লি। হোমশিংদা লৈরিবা অহল ওইরবশিং অদুনা থেংনরিবা অৱাবা অমদি খুদোংচাদবশিং অদু খঙবা ঙম্বগা লোয়ননা হয়েং মখোয়না মী অমমম ওইরক্লবা তুংদা অহল-লমনশিং অমদি খুন্নাইগীদমক লৌগদবা থৌদাংশিং হৌজিক্তগী হৌনা মশক খঙবা ঙমহনবা হায়বসি খোঙচৎ অসিগী পান্দম অমনি।

য়ুনাক্কো স্কুল চনুংগী ওইনা হৃদক চৎলিবা খোঙচৎ অসি কম্যুনিটি সর্ভিস প্রোগ্রামগী ওইনা মঙারক শুবনি। স্কুল অসিনা মহৈরোয়শিংদা তোঙান তোঙানবা এক্টিভিটিশিংদা শরুক য়ানবা পুক্নিং থৌগৎতুনা লাক্লি। পনবা য়াবদি স্কুল অসিনা কম্যুনিটি সর্ভিস প্রোগ্রাম অসিগী মনুংচন্না কৈবি সনাপাৎতা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোম, কৈবি হৈকক মপালদা লৈবা রিলিফ কেম্প, শউম্বুংদা লৈবা প্রি ফেব্রিকেটেদ হাউস অমদি নোংঙাদাদা লৈবা রিলিফ কেম্পশিংদা চৎতুনা অঙম্বা মতেং পাংবগা লোয়ননা মখোয়গী অৱাবদা শরুক য়াবা ঙমখ্রে। অসিগুম্বা মখলগী থৌরাংশিং য়ুনাক্কো স্কুল চনুংনা লেপ্পা লৈতনা পাঙথোকখিগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# মীতোপকী মখূত্তা পোলিটিকেল পাৱার ...

*লমায় ১গী মখা...*

কুমজা ১৯৫১দা য়ুম্ফম ওইরগা লৈবাক অসিগী অশেংবা মীওইশিং খঙদোক্লবগী থবক লৈঙাক্লা পায়খৎকদবনি। ইন্দিয়ান য়ুনিয়নদা পুনশিন্দ্রিঙৈ মণিপুর কন্সটিট্যুসন এক্ট শেমদুনা দেমোক্রেটিক ইলেক্সন পাঙথোকপগী ৱাফম লৈরিবনি। মসিদা নত্তনা মণিপুরদা অতোপ্পা লৈবাক্তগী চঙলকপা মীওইশিংগী এক্সিত অমদি এন্ত্রি পাস শেমদুনা লৈরম্মী। অদুবু কুমজা ১৯৫০গী নবেম্বর ১৮দা হায়রিবা এন্ত্রি অমদি এক্সিত পাসকী সিষ্টেম অদু ইনিদয়াদা মণিপুরনা তিল্লবা মতুংদা এবোলিষ্ট তৌখিবনি। চুরাচান্দপুর অমদি চান্দেলনচিংবা মণিপুরগী মফমশিংদা কাঙলোন কায়না খুল মশীং কয়া হেনগৎলকপগী ৱাফম লৈখিবা অদু মীপুম খূদিংমক্লা খঙলবা ৱাফমনি। মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা খুল ৯৬ রিকোগনাইজ তৌনবা অনওথোরাইজ ওইবা ওর্দর থোকপদা চেন্নবা মণিপুরগী আই এ এস কাদর অমা কুমজা ২০১১গী জুন ২৭তা লৈঙাক্লা সস্পেন্দ তৌখিবা ফাওবা লৈখ্রবনি। কুমজা ১৯৫১ মণিপুরগী অহানবা সেন্সস অমদি এন আর সি পাঙথোকখিবনি। মতম অদুদা ফোঙখিবা পব্লিকেসন অদুদা পুন্না খুল মশীং ১৯৪৮ ওইবা থেংনরি। মসিগী মতুং কুমজা ১৯৬৯ ফাওবা মণিপুরদা দিষ্ট্রিক্ট অমখক লৈরমখি। মসিগী মতুং মণিপুরদা দিষ্ট্রিক্ট ৫ অমদি সব দিভিজন ২৫ খায়দোকপনা অপুনবা খুল মশীংনা ১৯৪৭ ওইরম্বা থেংনরি। কুমজা ১৯৬১দা খুল মশীং ১৮৬৬ ওইরম্বা মণিপুরদা কুমজা ২০১১গী সেন্সসতা খুল মশীং অসি ২৫৪০দা খঙহেন হেনগৎলকপা থেংনরি। ম্যান্মারগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংদা অহো অরাক কয়া লৈবনা কাঙলোন কায়না মণিপুরদা মীতোপ কয়া চঙশিল্লক্তুনা খুন্দা লৈতাশিনবদা নত্তনা পোলিটিকেল অমদি কন্সটিট্যুসনেলগী লৈরিবা হকশিংগী খূদোংচাবা কয়া লৌশিল্লকপা থেংনরি। মরম অদুনা লৈবাক অসিগী অশেংবা মীওই নত্তবশিংগী মখুত্তা পোলিটিকেল পাৱার শীন্নদনবা মণিপুরদা কুমজা ১৯৫১দা য়ুম্ফম ওইরগা দিলিমিটেসনগী মাঙওইননা এন আর সি অপদেটকী থবক পায়খৎনবা হায়দুনা লৈঙাক্তা মীয়াম অমদি ফোরটিন সি এস ওনা তকশিন্দুনা লাক্লিবনি। ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা মরী লৈনবা ষ্টেকহোল্ডরশিংগা লোয়ননা দিলিমিটেসনগী মাঙওইননা মণিপুরদা এন আর সিগী থবক পাঙথোক্লবা মায়কৈ অহুমগী ওইবা চপ চাবা ৱারী শান্নবা চঙই। কুমজা ১৯৫১দগীনা কুমজা ২০১১ ফাওবগী লৈরিবা সেন্সস দেটাশিং কুকি জো কাউন্সিল অমদি সাইকোট কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ পাউলিয়ানলান হাওকিপনা মুন্না য়েংদুনা নৈনবা চঙই। মদুখক্তংনা মণিপুরদা দিলিমিটেসনগী মাঙওইননা এন আর সি পাঙথোক্লবা অমদি কুমজা ২০২৭কী সেন্সস পাঙথোক্লবা হোৎনরিবা অসি মণিপুরগী ওইনা মতম য়েথোক্লবা মীয়াম্না করিগী দিমান্দ তৌরিবনো হায়বদু খঙবা ঙমগনি হায়খি।

# কঞ্জুমর্স ক্লবকী মপোক কুমওন ...

*লমায় ১গী মখা...* মীথুং, ব্রাইটর একাদেমি খুম্বোংগী প্রিন্সিপাল ডা. বেটি সলাম না অখন্নবা মীথুং অমদি কঞ্জুমর ক্লব মণিপুরগী প্রসিদেন্ট টি ফুলচান্দ শর্ম্মানা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ৱেট এন্দ মিজর দিপার্টমেন্ট অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ফুদ সেফটিগী অখঙ অহৈশিংনা পোৎ-চৈগী অৱাম্বা ওনবগী লৈরিবা কাঙলোনশিং য়াওনা পেকেজ অমদি প্রি পেকেজ কোমোদিটি হায়বসিগী মতাংদা মরুওইবা ৱাফম কয়া থমদুনা মীয়ামদা ৱাখল লৌশিং পীখি হায়রি।

# মীয়ামগী দিমান্দ থবক্তা ওন্থোক্ত্রদি জুন...

*লমায় ১গী মখা...*

ইহুল খঙনা থবক তৌবা হায়বসি লুচিংবশিংগী মথৌনি। এম এল এ খরনা দিল্লিদা চৎলিবা খোঙচৎ অসিদা ৱারেপ অমা পুদুনা চৎপা ওইরম্লবদি মীয়াম্না পাল্লিবা পান্দম অদু শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মদু নত্তদনা মীয়ামদা উৎ চাইদুনা দিল্লিদা চৎতুনা সেন্টরগী লুচিংবশিংগা উনরুরে হায়বা য়ানবা থবক তৌবদি পামদে। মীতোপ খন্দোক্লবা হোৎনবদা মীয়াম্না লৌরিবা থৌদাং অসিদা লৈঙাক অসিনা শৌগৎফম থোক্তবরা হায়বা ৱাহং হংলক্লি।

তুংগী মীরোল কনসি হায়বদা লৈঙাক অসিনা য়ানিংদ্রিবা অসি করিগীনো হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না মখা তানা হায়, মীতোপ খন্দোক্লবা মীয়াম্না কন্না লাওরিবা অসিদা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টরনা করিগী তুমিন্না লৈথোক্লি। চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা অথুবা মতমদা দিল্লিদা চৎতুনা সেন্টরগী লুচিংবশিংগা উনদুনা ষ্টেট অসিদা এন আর সি অপদেট তৌরবা মতুং সেন্সস তৌবিয়ু হায়না তকশিন্দুনা মীয়াম্না তাল্লিবা দিমান্দ অসি থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনদ্রবদি জুন ১৮দা থোকখিবা থৌদোক অদুদগী হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিন্নবা মীয়াম্না শেম শাবা লোইরে। লোয়ননা লৈঙাক অসিনা ঙল্লে সেন্সস তৌবিয়ু, মীয়াম্না ঙল্লে সেন্সস তৌবা থীংগনি হায়বসি লৈঙাক অসিগী মপী মপা ওইবশিংনা খন্থবিয়ু হায়নসু চেকশিন ৱারোলশিং থমখি।

# পেন্টিং এগজিভিসন পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ

থা অসিগী ২৭তগী ৩১ ফাওবা আর্টস সোসাইটি মণিপুরনা শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট আর্ট গেলেরিদা স্পেসিয়েল এগজিভিসন ওফ পেন্টিং পাঙথোক্লগনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চননা লৈবা ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপাল লেন নম্বর ৪দা লৈবা আর্টস সোসাইটি মণিপুরগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা আর্টস সোসাইটি মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইবগা লোয়ননা স্পেসিয়েল এগজিভিসন ওফ পেন্টিংগী কনভেনরসু ওইরিবা ব্রহ্মচারিময়ুম ভিসম্বর হায়, আর্টস সোসাইটি মণিপুরনা আর্টিপু চাউখৎনবা হোৎনবদা আর্ট কেম্প, ৱার্কসোপ অমদি এগজিভিসন পাঙথোক্তুনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৯দা থৌপুম তম্পাক্তা নুমিৎ ৫নিগী ওইনা পেন্টিং কেম্প অমা পাঙথোক্তুনা মফম অদুগী মহৌশাগী ফজবা শক্তম ৱাটরফোল অমদি লেন্দস্কেপ শিং পেন্টিং ওইনা য়েক্তুনা ফোটোগ্রাফি স্ক্রাচ ওইনা থমখি। পাঙথোক্কদৌরিবা স্পেসিয়েল এগজিভিসন ওফ পেন্টিং অসিদা আর্টিষ্ট ১৯ অসিদা ইরাং থোক্ত্রিঙৈদা থৌপুম তম্পাক্কী পেন্টিংসু মীয়ামদা উৎকনি। স্পেসিয়েল এগজিভিসন ওফ পেন্টিং অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবা লাকপীয়ু হায়খি।

# কেপাসিটি বিল্ডিং প্রোগ্রাম হৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ

ইথনিক কনফ্লিক্ট লেন্দ রিছোর্সেস ইন দিভেলপমেন্ট নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া হায়বা হীরমদা নুমিৎ ৬নি চত্থগদবা কেপাসিটি বিল্ডিং প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এন্থ্রোপোলোজি দিপার্টমেন্টতা হৌখ্রে।

থৌরম অসিদা স্কোলারশিং অমদি অখঙঅহৈশিংনা মণিপুর অমদি অৱাং নোংপোক লমদমদা মায়োক্লরিবা খ্বাইদগী মরু ওইবা প্রোব্লেমশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

# সেনাপতিদা য়ুম মৈ থানখ্রে, নোংমৈ...

*লমায় ১গী মখা...*

ময়াদা মীয়াম থোক্লক্তুনা নেসনেল হায়ৰে ২ ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী থীংজিনখি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌরগা তাফৌ কুকি খুল অমসুং অকোয়বদা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং সি আর পি এফকী কোব্রা কম্মান্দো য়াওনা পাক শন্না ওপরেসন চত্থখ্রে। ওপরেসন অদুদা এস বি বি এল নোংমৈ ২, ১২ বোরগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৭৮, কাপথোকখ্রবা মরু ১১, এ কে ৪৭গী কাপথোকখ্রবা মরু অমসুং পোইন্ট ২২গী কাপথোকখ্রবা মরু, ১২ বোরগী কার্টিজ বেল্ট ১, সেটকী চার্জর ১, গাড়ী নম্বর প্লেট ৫ লোয়ননা মিলিটরিগী নোংমৈ মরু হাপ্নবা অহাংবা ষ্টিল কন্টেনর অমসু ফংবা ঙমখি। লোয়ননা ওপরেসন অদুদা তাফৌ কুকিগী বঙ্কর ২ অদুগা লিয়াংমাইগী বঙ্কর ১ থুগায়খি হায়রি।

পনবা য়াই, হন্দক থোক্লিবা নাগা অমসুং কুকিগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক অসি অহানবা নত্তে। হৌখিবা থা খরা অসিদা অসিগুম্বা থৌদোক কয়া থোক্তুনা ফুরুপ অনীগী মরক্তা উংখৎনবা লৈখ্রবনি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা তাফৌ কুকি খুলগী মায়কৈদগী মণিপুর লৈঙাক্তা পুং ২৪গী মতম থাদুনা থৌদোক অসিদা চেন্নবশিং চৈরাক পীনবা খঙহনখিবসু লৈখ্রবনি।

থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা কোটুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা কন্দেম তৌরক্লি। চেরোল অদুনা হায়, ঙরাং অয়ুক অঙনবদা থোকখিবা থৌদোক অদু মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা মণিপুরদা তঙদু লৈতাবা হঞ্জিল্লক্লবা অমসুং লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লবা নমদিলোংদা লৈরিবা ইল্লিগেল চেক পোইন্ট লৌথোকপবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা নাগাশিংনা কুকিশিংদা ওনশিন্দুনা তাইরকপনি হায়না মরাল কয়া শীরক্লি।

# শাশিন্নবা ছনা য়োনবগী মতাংদা...

*লমায় ১গী মখা...*

দাইরেক্টোরেটনা কঞ্জুম্মর এন্দ ফুদ ব্যুজিনেস তৌরিবশিংদা এদভাইজরি থোকখ্রে।

এদভাইজরি অসিগী মতুংইন্না কঞ্জুমরশিংনা ছনা লৈদ্রিঙৈদো পোৎ অদুগী মমিং, পোৎয়ান অমসুং লেভেল মুন্না য়েংনবা, লৈদ্রিঙৈদো শঙ্গোমদগী শাৱা শাদ্রবা মুন্না হংনবা অমদি চীংনবা লৈরবদি ফুদ সেফটি ওথোরিটিদা রিপোর্ট তৌনবা খঙহল্লি।

রেষ্টোরেন্ট, হোটেল, সেল্লর মেনুফেকচরর চল্লাইরিবা ফুদ ব্যুজিনেস তৌরিবশিংনসু ছনা নত্তবদা ছনা শাদুনা য়োন্দনবা, লেভেল ফজনা হাপ্নবা অমসুং ফুদ সেফটি ওফিসারশিংনা সেম্পল খোম্বা অমসুং টেষ্টিং তৌবদা মতেং পাংনবা এদভাইজরি অদুনা খঙহল্লি।

# ‘চাওখৎপা, হেন্না খূৎমাং ...

*লমায় ১গী মখা...*

মণিপুর ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসন মথৌ তৌহন্দুনা গ্রেদ ৩গী পোষ্টশিং মেনশিন্নবা অমদি কনট্রেক্ট বেসিসতা থবক হাপ্পীদনবা চীফ মিনিষ্টরগী পুক্নিং চীংশিনখি। লোয়ননা পাউচে য়েল্লিবা হোকরশিং অসি খ্বাইদগী মথৌ মশক খঙবা মীওইশিংনি হায়না শীংথাখি।

থৌরম অদুদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দ, পাৎশোই এ সিগী এম এল এ সাপম কুঞ্জকেশ্বর, কৈরাও এ সিগী এম এল এ অমদি এল এস টি বিগী ভাইস প্রসিদেন্টগীসু থৌ পুরিবা লৌরেম্বম রামেশ্বর মীতৈ, এল এস টি বিগী ভাইস চেয়রমেন ২ চনম্বম নবচন্দ্র মৈতৈ অমদি মণিপুর হোকর এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাংখেম চন্দ্র মৈতৈনা মরু ওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# মোরে হোস্পিটালগী ডাক্তর...

*লমায় ১গী মখা...*

অসিগী ১৬তা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দগা উনদুনা মোরে হোস্পিটালগী অৱাৎপা ডাক্তরশিং থাবিরক্লবা তকশিনখি। মদুগী মতুং মণিপুর লৈঙাক্লা থা অসিগী ২২দা মোরে হোস্পিটালগী অৱাৎপা ডাক্তরশিং মেনশিন্নবা ডাক্তরশিং পোষ্টিং ওর্দর অমা থোকখি। অদুবু ঙসি ফাওবা ডাক্তরশিং অদু জোইন্ট তৌদনা লৈবনি। মোরে হোস্পিটালগী পোষ্টিং পীখ্রবা ডাক্তরশিংগী জোইন্ট তৌদ্রিবা ফাওবা লম্বী থীংবগী খোঙজং অসি মখা তানা চঙশিনখিগনি হায়না মোরেগী কম্যুনিতি লিদরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

# অতেনবা মতমদা এক্সাইজ ...

*লমায় ১গী মখা...*

অরিহা পাঙম্বম অমদি ৭শুবা পোজিসন তারকখ্রবা অঞোরি পাঙম্বমবু চীফ মিনিষ্টরনা তরামনা ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখি। লোয়ননা বেষ্ট পার্ফোর্মিং এক্সাইজ ষ্টেসনদা মনা লান্থোকপা য়াওনা মেরিটোরিয়স এৱার্দ অমদি স্পেসিয়েল এৱার্দ লান্থোকখি। লোয়ননা মশাগী মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপা মীওই ৪দা মেরিটোরিয়স এৱার্দ লান্থোকখি। ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এক্সাইজগী কম্মিস্নর হুংয়ো ৱোরশাং, ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিপুটি কম্মিস্নর ময়াংলম্বা রাজকুমার য়াওনা তোঙান তোঙানবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

# তুংগী মীরোলশিংগী য়েংলগা ...

*লমায় ১গী মখা...*

অদুবু হোস্পিটাল অসি মণিপুর লৈঙাক্লা চলাইহিবা খ্বায়দগী চাউরবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুট অমনি হায়রবসু লশিং ফাওবা অনাবশিংদা লেমনা পীবা ঙমদ্রে। থৌওং অসি য়াম্না লাইবক থিবনি। জেনিমসকী চেয়রমেন অমা ওইনা লৈরিবা চীফ মিনিষ্টর অমদি দাইরেক্তরনা হীরম অসিদা অকনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু। লোয়ননা মমাঙ থাদা মেদিয়া চেনেল খরদা জেনিমসকী ডা. অমদি ষ্টাফ খরা থৱায় হকচাং য়াওনা থবক তৌনিংলবসু জেনিমস হোস্পিটালদা অৱাৎপনা পিক থল্লে হায়বা ৱাফম তাখি।

হীরম অসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা মীৎয়েং চঙবীরগা লৈত-লায়রবশিংগী পূন্সি কনবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# রাহুল গান্ধী, এম খরগেনা কাষ্ট সেন্সসকী মতাংদা লান্না লমজিংবা মেথদ শিজিন্নবগী মতাংদা পি এম মোদিদা চে ইখ্রে




ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সি):
কাষ্ট সেন্সস প্রোসেসকী মতাংদা মরীলৈনবা ৱাহংশিংদা বেকৱার্দ ক্লাসশিংগী মশিং থীনবগী তোঙানবা ও বি সি কলম অমা য়াওদবগী মতাং দা ৱাহংশিং পুখৎতুনা কোংগ্রেস চীফ মালিকার্জু খরগে অমসুং সেনিয়ার পার্টি লুচিংবা অমসুং লীদর ওফ দ ওপোজিসন রাহুল গান্ধীনা অপূনবা চেরোল অমা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা ইখ্রে।

চিঠি অদুদা হৌজিক্কী মেথদ অসিনা ইন্দিয়াগী ও বি সি পোপুলেসনগী চপ চাবা সাইজ অদু ফোঙদোকপা ঙম্লোই হায়না মখোয়না হায়খি।

কাষ্ট সেন্সস অমা হায়বসি চুন্নতগী পাঙথোক্লে হায়বগী মওংদা পাঙথোক্লোইদবনি, মদু শোয়দনমক চুন্না পাঙথোক্কদবনি হায়না খরগেনা হায়খি।

সেন্সস অসিদা কাষ্ট ইনফোর্মেসন রেকোর্দ তৌনবগীদমক নহাক্কী গভর্ণমেন্টনা লান্না লমজিংবা মেথৎ অমা শিজিন্ননবা খনখ্রে হায়না অশোয়বশিং অদু উৎতুনা লুচিংবা অনি অদুনা ইখি।

হৌজিক্কী কাষ্ট সেন্সস কোইস্ন্যায়র অদু ককথৎনবা অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিং, এক্সপার্টশিং অমসুং পব্লিক্কা খন্নরবা তুংদা অনৌবা অমা ড্রাফ তৌনবা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাদা ওপোজিসনগী লুচিংবশিংনা দিমান্দ তৌখ্রে।

চয়োল অনিগী মমাঙদা সেন্টরনা ২০২৭ সেন্সসকীদমক ৱাহং ৪০গী লিষ্ট অমা ফোঙখিবনি।

নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা কোংগ্রেস পার্টিগী ও বি সি দিপার্টমেন্টনা শিনবা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা রাহুল গান্ধীনা 'জেন জেদ ষ্টুদেন্টস'গা চপ মান্ননা ও বি সি কম্যুনিটিনা থোক্লক্তুনা খোঙজং চংশিল্লকপা তারবদি গভর্ণমেন্টনা নমদুনা য়াবা তারক্কনি হায়রদুনা রাহুল গান্ধীনা ৱাহন্থোক লৈবা ষ্টেটমেন্ট অমা পীখি।

# সি জিনপিং দিলিগেট ৪০০গা লোয়ননা ব্রিক্স সম্মিটকীদমক ইন্দিয়াদা লাক্লবা য়াই: রিপোর্ট

বৈজিং, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সি):
চাইনাগী প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা চহী ৭কী মনুংদা মহাক্কী অহানবা খোঙচৎ অমসুং য়েংথিনবা লৈবাক অনিগী মরক্তা তপ্না-তপ্না মরী ফগৎলকপগী অনৌবা ইঙ্গিৎ অমদা য়াল্লবা দিলিগেসন অমগা লোয়ননা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা মথং থাগী ব্রিক্স সম্মিট য়াওরবা য়াই হায়না লিখুল ৩না ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ানা সেপ্টেম্বর ১২তগী ১৩ ফাওবগী সম্মিট অদু য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কনি। চাইনিজ ওফিসিয়েলশিংনা হোটেলশিং অমসুং সেক্যুরিটি প্রোটোকোলশিং য়েংশিন্নবা হোৎনরি হায়না হকথেংননা খঙবা ইন্দিয়ান লিখুন অমনা রোইটরসতা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চহীদা চহী ৭কী মনুংদা অহানবা ওইনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চাইনাদা চৎখি অমসুং তপ্না তপ্না মরী ফগৎলকখি।

চাইনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা ২০১৯দা অকোনবা ওইনা লাক্লমখিবা অদুদা লোয়নরকখিবা ওফিসিয়েল ২০০ ফাদবা অদুগা চাংদম্নবদা হন্দক্কী অসিদদি ওফিসিয়েল ৪০০ রোমগী দিলিগেসন অমগা লোয়নরকপা য়াই হায়না ইন্দিয়ান লিখুন অনিনা ফোঙদোক্লি। লৈবাক অনিমক্কী ওফিসিয়েলশিংনা সম্মিট অদু বোর্দর অমসুং রিজনেল সেক্যুরিটিগী ওইবা হিরমশিংগী মতাংদা মতম শাংনদগী লৈরকখিবা খেন্নবশিং অদু কোকহন্নবা এঙ্গেজমেন্ট অদু হেন্না পাকথোক চাওথোক্লবা থিবদা সম্মিট অদু শিজিন্নরবা য়াই হায়না লিখুনশিং অদুনা মখা তারি।



চাইনানা ব্রিক্স কোওপরেসন য়ান্না মরুওইনা লৌই অমসুং শরুক য়ারক্লি, অমসুং চহী অসিগী ব্রিক্স সম্মিট মায় পাক্লা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকপদা হৌজিক্কী চিয়ার, ইন্দিয়া শৌগৎলি হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্টকী খোঙচৎ অদুগী মতাংদা হৌজিক ঐখোয়না পীগদবা অতৈ পাউ লৈত্রি হায়না মিনিষ্ট্রি অদুনা হায়খি। প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা ব্রাজিলদা ২০২৫তা পাঙথোকখিবা ইকোন কোনবা ব্রিক্স সম্মিট অদু য়াওখিদে।

# হায়ৱেদা ট্রকনা কারদা থোম্বদা মীওই ৪ শিখ্রে

বরাবাঙ্কি, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সি):
খোঙজেন য়াঙনা থৌরকপা ট্রক অমনা লক্ষ্ণৌ-বহরাইচ হায়ৱেগী মফম অমদা কার অমদা থোমজিনবদা মীওই ৪ শিখ্রে অমসুং চহী ৭কী নুপীমচা অমা অরুবা ফিভমদা শোকখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

এক্সিদেন্ট অদুগী মতুং ট্রক ড্রাইভর অদু মফম অদু থাদোক্তুনা চেনখ্রে। মহাক ফানবা হোৎনরি।

পুলিসকী মতুং ইন্না কারদা তোং লক্লিবা মীওইশিং অদুনা লম্বী ঙাওদুনা মায়কৈ হংনবা খামখিবা অমসুং বহরাইচ রোমদা গাড়ী অদু মমায় লৈরকপদা নসাওলি পুলিস ষ্টেসন এরিয়াগী মনুং চনবা বিন্দৌরা ক্রোসিং মনাক্তা অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা এক্সিদেন্ট অদু থোকখি।

লক্ষ্ণৌ রোমদগী খোঙজেন য়াঙনা থৌরকখিবা লৈঙোয় পুবা বম্পর ট্রক অমনা কার অদুদা থোমগাইখি। কার অদু মপুং ফানা শোকখ্রে অমসুং তোং লকখিবা মীওই ৫ অদু মনুংদা চপতুনা লৈখি।

মফমদুগী মীওইশিংগী মতেংগা লোয়ননা পুলিসনা মীওই ৫ অদু শুপচিল্লবা কার অদুগী মনুংদগী চিং থোকখি অমসুং বদগাও কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টরদা পুখৎখি। অদুবু ডোক্টরশিংনা মখোয় শিরে হায়না লাউথোক্লকখ্রে।

# ফুয়েল ৱাৎপদগী ইন্দিয়ান ড্রোননা পাককী কিরানা হিলস ন্যুক ফেসিলিটিদা হিট তৌখি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সি): ইন্দিয়ান লোয়টরিং ম্যুনিসন-ড্রোন অমনা অতক্ননা চথবা এটেক নৎত্রবসু হৌখিবা চহীগী ওপরেসন সিন্দুর অদুদা পাকিস্তানগী ন্যুক্লিয়ার হব ওইরিবা কিরানা হিলসতা থাখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা করিনো হায়না খঙনদা লৈরমখিবা অদু লোইশিল্লদুনা হান্নগী চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ, জেনরেল অনিল চৌহাননা ইন্দিয়ান লোইটরিং ম্যুনিসন অমনা এটেক তৌনবা রাদরশিং থিখি। অদুবু কিরানা হিলসকী মফম অদুৱাইদা ফুয়েল ৱাৎশিল্লকখি হায়না শেংদোকখি। আই এ এফকী দাইরেক্টর জেনরেল ওফ ইয়ার ওপরেসন্স এয়ার মার্সেল এ কে ভারতিনা কিরানা হিলসতা ঐখোয়না টার্গেট তৌবা লৈখিদে হায়না শেংনা শেংদোকখি হায়না ন্যু দিল্লিদা বিবেকানন্দ সেন্টরদা ৱা ঙাংখিবা জেনরেল চৌহানা হায়খি।

# দি আর দি ও মিসাইল টেক্নোলোজিজ ইন্দিয়ান ফার্মশিংদা ট্রান্সফর তৌবদা রাজনাথ সিংহনা অয়াবা পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সি): দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট এন্দ ওর্গনাইজেসন (দি অর দি ও)না দিভলপ তৌবা কনভেন্সনেল মিসাইল সিষ্টেমস পূন্নমক্কী টেক্নোলোজিজ ইন্দিজিনস প্রদকসনগীদমক ইন্দিয়ান ইন্দষ্ট্রিজদা ট্রান্সফর তৌবা অয়াবা পীরকখ্রে হায়না ঙসি দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

ট্রান্সফর ওফ টেক্নোলোজি (টি ও টি)না চান্নবা ক্বালিফিকেসনশিং, সার্টিফিকেসন অমসুং রিগুলেটরিগী মথৌতাবশিংগী মতুং ইন্না ইন্দিয়ান কম্পেনিশিংবু কনভেন্সনেল মিসাইল সিষ্টেমশিং ইন্দিজেনস ওইনা পুথোকপা য়াহল্লগনি হায়না মিনিষ্ট্রি অদুনা হায়খি।

# চয়োল ৩গী মনুংদা সরেন্দর তৌনবা সুপ্রিম কোর্টনা টরুন টেজপালদা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সি):
সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি রেপ কনভিক অমসুং হান্নগী টেহলকা এদিটর ইন-চীফ টরুন টেজপালদা অহানবদা সেরেন্দর তৌনবা অমসুং মদু চয়োল ৩গী মনুংদা শোয়দনমক তৌনবা খঙহনখ্রে।



বোম্বে হায় কোর্টকী গোৱা বেঞ্চনা ২০১৩দা হান্নগী থবক তৌমিন্নবী অমবু রেপ তৌবগীদমক টেজপালবু ওগষ্ট ৬তা কনভিক্সন পীখি অমসুং কেস অদুদা মহাকপু ২০২১দা থাদোকখিবা অদু মথঙ্গা ওন্থোক্তুনা জেলদা চহী ১০গী চৈরাক পীখি। মহাক ভিক্টিম অমনি হায়রদুনা মশাগী চহী ৬৩ শুরবা হান্নগী জর্নেলিষ্ট অদুনা হায় কোর্ট ওর্দর অদু শীংনখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কেস অদু টরুন টেজপাল অমদি গৱা গভর্ণমেন্টকী মরক্তা সুপ্রিম কোর্টতা আর্গুমেন্টশিং চৎখি। সুপ্রিম কোর্ট রুলসকী মখাদা কনভিক্সন ওর্দর অমা শীংনদ্রিঙৈগী মমাঙদা সরেন্দর তৌবা মথৌ তাই। সেরেন্দর সার্টিফিকেট অমা শোয়দনমক থাগৎকদবনি।

কেস অসি ২০১৩দা পানাজিদা ওফিসিয়েল থৌরম অমদা নবেম্বর ৭ অমসুং ৮দা হোটেলে ইলিভেটর অমগী মনুংদা মহাকপু সেক্সুয়েল এসোল্ট তৌই হায়না টেজপালবু নুপী জর্নেলিষ্ট অমনা মরাল শীবদগী লাকখিবনি।

**সনা-সুদোকু-১০৫৯গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 7 | 8 | 1 | 3 | 2 | 5 | 6 | 4 |
| 4 | 5 | 2 | 6 | 9 | 8 | 7 | 3 | 1 |
| 3 | 6 | 1 | 4 | 5 | 7 | 9 | 8 | 2 |
| 8 | 2 | 6 | 9 | 7 | 1 | 4 | 5 | 3 |
| 1 | 4 | 3 | 8 | 6 | 5 | 2 | 9 | 7 |
| 7 | 9 | 5 | 3 | 2 | 4 | 8 | 1 | 6 |
| 5 | 1 | 9 | 2 | 4 | 3 | 6 | 7 | 8 |
| 6 | 8 | 4 | 7 | 1 | 9 | 3 | 2 | 5 |
| 2 | 3 | 7 | 5 | 8 | 6 | 1 | 4 | 9 |

## Crossword # 1125



**Across**
1. Blue ____ Mountains
6. Hawaiian island
10. File labels
14. Embellish
15. Related
16. Stratford-upon-____
17. Unable to read
19. Ticked off
20. Wanted
21. Soup cracker
23. Be a passenger
26. Sower
27. Field cover
31. Gets uptight
33. Cutter
35. Domestic animal
36. Lustrous fabric
41. ____ dot
42. Physicians' org.
43. Avoid capture
44. Guide
45. Pull apart
46. Mechanical man
47. Relate again
50. "Electric" swimmers
51. 12th-grader
55. Glimpses
57. Capital of New Jersey
59. Vouch for
64. Train track
65. Go downhill
68. ____ of Man
69. Flock females
70. "The Matrix", e.g.
71. Irritating one
72. Stair section
73. Strict

**Down**
1. Shower
2. Out of work
3. Mete (out)
4. Crossword diagram
5. Go onstage
6. Rowing tool
7. Alias initials
8. Successful songs
9. Discomfort
10. Savor
11. Elude
12. Supported
13. Show contempt
18. Rewrite text
22. Inferior
24. Leave
25. Adversaries
27. Recipe abbr.
28. Great deal (2 wds.)
29. Part
30. Prod
32. Paper fastener
34. Talking pet
37. Sunburn remedy
38. Toothpaste container
39. Revered person
40. Court dividers
48. Wears away gradually
49. Slender
51. Undress
52. Remove
53. Diamond and Armstrong
54. Narrow channel
56. Pipe parts
58. Politician ____ Gingrich
60. Jog
61. Roof part
62. Mix
63. Youth
66. ____ whiz!
67. Psychic ability (abbr.)

পাউখুম লমায় ৭দা ...


**In the Court of The Sub-Deputy Collector Heingang, Imphal East**

*Ref. :- Mut. Case No. 308 of SDC/HNG(IE) 2026*

Thekho Mufujei S/O (L) R. K. Thekho of Aenon Village Luwangsangbam . ***- Petitioners***

***-Verses-***

(Late) Thekho Paul Pau S/O (L) R. K. Thekho of Luwangsangbam Maning Aenon Village ***-O. P.***

**ꯈꯪꯍꯟ/NOTICE**

*Heingang, Dated 24/08/2026*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং : ২ অসৈ লোকলেনদা লৈবা অরিবা পাট্টা নং: ১২২ অনৌবা পাট্টা নং ৭৯ দাগ নং ৭৮ এরিয়া 0.৮8 Acre একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি মনাওনুপা অসিদা নামা পানবিরো হায়দুনা S.D.C. Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোংবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C. Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চখদুনা নামা ওল্লগনি।

SL/Jeena/26

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East



**Government of Manipur**
**Office of the Divisional Forest Officer: Central Forest Division**
**Imphal: Manipur**

Auction Notice
Mantripukhri, the 24th August, 2026

No.6/8/2016-17/DFO/C(Auction): It is hereby notified for information to all the registered Forest Contractors/ HPC cleared Wood Based Units situated within the Minor Industrial Estate, general public and individuals that there will be an auction sale of **482 nos. of sawn ucham timber (C-Class) containing 7.32 cum/ 258.56 cft and 418 nos. of sawn ucham timber (C-Class) containing 6.83 cum/ 246.31 cft dumped at Nungoi Nursery Campus on 27th August, 2026 at 11.30 am** at the office premises of the Divisional Forest Officer, Central Forest Division which was confiscated vide Confiscation case No. 2/2026-27 and 3/2026-27 dated, the 24th August, 2025 in the Court of the Authorised Officer, Central Forest Division, Mantripukhri. The terms and conditions of the Auction sale along with the auction participation forms can be had from the office of the undersigned during office hour.

*SL/Athou/26*

Sd/-
Divisional Forest Officer,
Central Forest Division,
Government of Manipur



**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DEPARTMENT OF ENVIRONMENT & CLIMATE CHANGE**
**(EIACP HUB, MANIPUR)**
**Porompat, Imphal-05**

ꯈꯪꯍꯟ / NOTICE
Date: 25th August 2026

**CERTIFICATE COURSE IN "APICULTURIST (WILD BEE) NTFP (NON-TIMBER FOREST PRODUCE)"**
**A Green Skill Development Programme (GSDP)**

**EIACP Hub Manipur, Department of Environment and Climate Change, Government of Manipur,** is conducting a **Green Skill Development Programme (GSDP)** Certificate Course in **"Apiculturist (Wild Bee) NTFP (Non-Timber Forest Produce) exclusively** for **Scheduled Tribes candidates** only.

| | |
|---|---|
| **MINIMUM EDUCATIONAL QUALIFICATION & EXPERIENCE** | No formal educational qualification; however, the candidate must be able to read and write in English |
| **COURSE DURATION** | 240 Hours |
| **AGE LIMIT** | 18 years & above |
| **NUMBER OF SEATS** | 20 |
| **COURSE START** | **1st Week of September 2026** |
| **SELECTION PROCESS** | Personal Interview |
| **LOCATION** | **Imphal (Exact venue will be notified later)** |
| **COURSE FEE** | **No Course Fee** (A nominal refundable security deposit will be required) |
| **LAST DATE OF APPLICATION** | August 31, 2026 |
| **APPLICATION SUBMISSION MODE** | Candidates may apply through Whatsapp or Contact +91-8787500477 |

**Successful candidates will be awarded a Certificate from EIACP, Ministry of Environment, Forest and Climate Change (MoEF&CC), Government of India.**

**FOR ANY QUERY/CLARIFICATION, KINDLY CONTACT:**
**Email:** eiacphubmanipur@gmail.com
**Mobile No.:** +918415027772 / +918787500477

*SL/B-(utm)/26*

Sd/-
**(Dr. Mohd. Habibullah Khan)**
**Co-ordinator**



MANIPUR UNIVERSITY

**Admission Notics/675**
24th August, 2026

**Free Online Coaching Support for Competitive Examination Preparation (UPSC | SSC | Banking)**

The Ministry of Social Justice & Empowerment (MoSJE), Government of India, in collaboration with Physics Wallah Foundation, invites applications from eligible students (SC, OBC, EW and beneficiaries of PM CARES Children Scheme) through Manipur University for imparting free online coaching support for preparation of competitive examinations. This initiative aims to strengthen access to quality preparatory resources and support aspirants from socially disadvantaged backgrounds in enhancing their career opportunities through structured coaching and mentorship.

**Courses Offered**
1. UPSC Civil Services Examination Preparation
2. SSC Examination Preparation
3. Banking Examination Preparation

**Programme Support Includes**
- Structured online learning modules
- Live and recorded classes
- Comprehensive study material
- Test series and practice assessments
- Previous year question paper support
- Doubt-solving sessions
- Mentorship and counselling support

**Eligibility**
Students belonging to the following categories may apply
- Scheduled Castes (SC)
- Other Backward Classes (OBC)
- Economically Weaker Sections (EWS)
- Beneficiaries under the PM CARES Children Scheme
- (Note: (a) Students belonging to SCs, OBCs and EWSs, having total family income of ***Rs. 8.00 lakh or less per annum*** from all sources will be eligible for benefits under the initiative. There will be no income or caste-related restrictions for beneficiaries of the PM CARES Children Scheme to avail of the benefits under this initiative.
- Educational Qualification: Class XII passed or above
- Age limit: 35 years and below
- No stipend or financial assistance shall be provided to the students enrolled under this initiative either by Ministry of Social Justice & Empowerment (MOSJE) or PW Foun dation or Manipur University.

**Mode of Delivery**
- Entire programme shall be delivered in online mode by PW Foundation.
- Selection and enrolment shall be undertaken through Entrance Examination conducted by Dr. Ambedkar Centre of Excellence, Manipur University.

**Seats Available**
A total of 749 students shall be selected in 3 courses: UPSC CSE Preparation-225, SSC Examination Preparation-374 and Banking Examination Preparation-150.

**Reservation**
SC-65%, OBC-23%, EWS-10%, Transgender-1% and PwD (Divyangjan)-1% (extra seats for **PM CARES Children).**

**Application Form Submission Fee**: Rs. 50/- (Fifty) only payable at A/C. 41348009468, Name of **Account Holder: DACE MU, Bank Branch: SBI Manipur University Campus, IFSC SBIN0005320**

**Application Process**
Eligible students (SCs, OBCs, EWSs and beneficiaries of PM CARES Children Scheme) will be selected by Manipur University through Entrance Test

**Submission of Application Form**
Candidates should submit the application form through Google Form in the given link https://forms.gle/Z7iKDuEd2g9zMrFB6

**Required documents to be uploaded**
1. Mark sheet and certificate of highest educational qualification in a single file
2. Age proof certificate (Class X certificate)
3. Valid SC/OBC/EWS/Transgender/PwD/PM CARES certificate.
4. Valid Income certificate not older than one year from the date of publication of this notification.
5. Recent passport photo of the candidate
6. Scanned signature of the candidate
7. Fee Payment receipt

**Important Dates:**
- Last date of Online Application Form submission: 11.09.2026
- Submission of printed hard copy of the Google Application Form along with necessary documents: on or before 4PM of 15.09.2026 at the Office of Dr. Ambedkar centre of Excellence, Manipur University
- Date of Issue of Admit Card in respective emails of the candidates: 16.09.2026
- Date of Entrance Exam: 19.09.2026 (Time: UPSC-CSE 10AM to 12 Noon. SSC 1PM to 2 PM, Banking 3PM to 4 PM)
- Date of declaration of result: 21.09.2026
- Entrance Examination Centre: Manipur University

**Syllabus for Entrance Examinations**
- UPSC CSE Preparation: UPSC-CSE Prelim GS Paper-I syllabus
- SSC: SSC CHSL Tier-1 syllabus
- Banking: Phase-1 syllabus of SBI Junior Associates

**Important Note:**
- This programme is being implemented under a non-financial collaborative arrangement and shall not be construed as a Government scheme or direct financial benefit
- Selection of candidates shall be undertaken by the Manipur University as per prescribed selection norms.
- No stipend or financial assistance shall be provided to the students enrolled under this initiative either by Ministry of Social Justice & Empowerment (MOSJE) or PW Foundation or Manipur University.
- This is a separate initiative and not a part of the Free Coaching Scheme for SCs, OBCs and beneficiaries of PM CARES Children Scheme implemented by Ministry of Social Justice & Empowerment (MOSJE)

For further information and enrolment updates, students may refer to Manipur University website.

*SL/MU/26&27*

Sd/-
**(Ptof M. Premjit Singh)**
**Registrar**

# হোক্কী হরিয়ানানা ১৬শুবা হোক্কী ইন্দিয়া জুনিয়র ৱুমেন নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬কী চেম্পিয়ন ওইখ্রে




পুনে, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সি)ঃ

মহারাষ্ট্রাগী পুনেদা চৎথরিবা ১৬শুবা হোক্কী ইন্দিয়া জুনিয়র ৱুমেন নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ দিভিজন-এগী চেম্পিয়ন হোক্কী হরিয়ানানা ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ১৬শুবা হোক্কী ইন্দিয়া জুনিয়র ৱুমেন নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ দিভিজন-এগী ফাইনেলদা হোক্কী হরিয়ানানা শোথরম্বা গোল হন্দোক্লগা হোক্কী ঝরখন্দবু গোল ২-১দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা টুর্নমেন্ট অসিগী অহুমশুবা মফমনা হোক্কী মধ্যা প্রদেশনা ওইখ্রে।

শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসিদা হোক্কী হরিয়ানা অমসুং হোক্কী ঝরখন্দনা টাইটলগীদমক অকনবা মওংদা লম্বা চান্না শান্নরকখ্রবসু হোক্কী ঝরখন্দগী শান্নরোই সরোজানা মেটচকী ১৯শুবা মিনিটতা গোল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। গোল শোথরিবা হোক্কী হরিয়ানানা খুৎ হল্লক্তুনা মেটচকী ২৩শুবা মিনিটতা ভাবিয়ানা গোল অমা চন্দুনা ইক্বেলাইজিং ওইদুনা ১-১দা লৈহনখি।

পাঞ্জল মান্ননা লৈরবা মতুং হোক্কী হরিয়ানাগী শান্নরোইশিংনা হেন্না থৌনা ফুদোক্তুনা শান্নরকপগী মহৈ ওইনা মেটচকী ৪২শুবা মিনিটতা টিম অসিগী শান্নরোই খুসিনানা অহেনবা গোল অমা হাপচিন্দুনা ২-১দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বীরোমদা পুশিনখি।

মেটচকী লেমহৌরিবা ক্বার্টরগী মিনিটশিংদা গোল শোথরিবা হোক্কী ঝরখন্দনা গোল হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা শান্নরকখ্রবসু হোক্কী হরিয়ানাগী দিফেন্দরশিংনা অরেম্বা তাহন্দুনা ঝরখন্দবু ২-১দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইতলগী মপু ওইবা ঙমখি।

পনবা য়াই চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেলদা হোক্কী ঝরখন্দনা হোক্কী মধ্য প্রদেশপু সুটআউটতা গোল ২-১দা অমসুং অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা হোক্কী হরিয়ানানা ছটিসগর হোক্কীবু গোল ৮-০দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা হোক্কী মধ্যা প্রদেশনা হোক্কী ছটিসগরবু গোল ৩-০দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা মফম কনখিবা অদুদা হোক্কী মধ্য প্রদেশগী গোলশিং অদু কাজলনা মেটচকী ৩৫শুবা অমসুং ৩৭শুবা মিনিটতা গোল অনী অমদি তন্বিনানা মেটজচকী ৪২ শুবা মিনিটতা চনখি।

# নুপামচা য়ু-১৭দা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুল মায় পাকখ্রে

বিষ্ণুপুর, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ

সুব্রোতো মুখর্জি হোক্কী সোসাইটিগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদবা জে এন ইন্টরনেসনেল হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০২৬দা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবা টিম খন্নবগীদমক য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টগী মীৎয়েং মখাদা তোঙান তোঙানবা এজ কেটাগোরিদা খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা ষ্টেট লেভেল জে এন হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০২৬গী ঙসি শান্নখিবা নুপামচা অন্দর-১৭দা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুলনা ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই পোপুলর স্কুলবু গোল ২-১দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৩ অরিফ উদ্দিননা মেটচকী অঙনবা মিনিট ৫ অমসুং ৪৮শুবা মিনিটতা চনখি। মায়থিরবা খুরাই পোপুলর স্কুলগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৬ এমদি অতিফ অহামদনা চনখি।

নুপীমচা অন্দর-১৭গী মেটচতনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী হিল ক্রোস ইংলিস স্কুলনা ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই পোপুলর হায় স্কুলবু গোল ৬-০দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা হিল ক্রোস ইংলিস স্কুলগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ নেল্লিনা মেটচকী ৫শুবা, ১৫শুবা, ১৭ শুবা অমসুং ৪৮শুবা মিনিটতা পূন্না গোল মরি চন্দুনা হেটত্রিক তৌখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১৫ য়াইফবী অমসুং জর্সি নম্বর ৮ এ লিন্থোইনা মেটচকী ৩৩শুবা মিনিটতা অমমম চনখি।

নুপামচা অন্দর-১৫গী মেটতনা ইম্ফাল ইষ্টকী য়ং পাইওনর ইংলিস স্কুলনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী বিষ্ণুপুর হায়র সেকেন্দরী স্কুলবু লাকচনা গোল ৮-০দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা য়ং পাইওনর ইংলিস স্কুলগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ সোহন শর্ম্মানা মেটচকী অহানবা মিনিট অমসুং ৪৬শুবা মিনিটতা গোল অনী, জর্সি নম্বর ২ মীরাক য়ুমখামনা মেটচকী ১৫শুবা, জর্সি নম্বর ৮ কেঐচ অমর্জিৎনা মেটচকী ১৩শুবা, জর্সি নম্বর ১৪ অথোইবা এমনা মেটচকী ১৪শুবা, জর্সি নম্বর ১৬ রিচার্দ কোন্থৌজমনা মেটচকী ৪৮শুবা, জর্সি নম্বর ১২, কে কৃষ্ণকান্তনা মেটচকী ৪৯শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১৫ এল অজর্জুননা মেটচকী ৫৩শুবা মিনিটতা অমমম চনখি।

নুপামচা অন্দর-১৫গী অতোপ্পা মেটচ অমদনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী বিষ্ণুপুর হায়র সেকেন্দরীনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ব্রাইতর একাদমিবু গোল ৫-০দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা বিষ্ণুপুর হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ দব্লিউ অকাসনা মেটচকী ১৭শুবা অমসুং ২৭শুবা মিনিটতা গোল অনী, জর্সি নম্বর ১০ এল বিদ্যানন্দনা মেটচকী ১৯শবা, জর্সি নম্বর ৩ দব্লিউ ঙানবনা মেটচকী ২৫শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৮ টিঐচ নেপোলিয়ননা মেটচকী ৩৬শুবা মিনিটতা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা ইম্ফাল ইষ্টকী য়ং পাইওনর ইংলিস ক্লবনা থৌবালগী ব্রিলেন্ত একাদমিবু গোল ৭-১দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা য়ং পাইওনর ইংলিস স্কুলগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭সোহননা মেটচকী ১শুবা, ৩৭শুবা অমসুং ৫১শুবা মিনিটতা গোল অহুম চন্দুনা হেটত্রিক তৌখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১৪ অথোইবা এম, জর্সি নম্বর ১৩ পুবামণি কেঐচনা মেটচকী ১৭শুবা, জর্সি নম্বর ১৫ এল অর্জুননা মেটচকী ২৯শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৬ সোয়াম লনচেনবনা মেটচকী ৫৭শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি।

মায়থিহৌরবা ব্রিলেন্ত একাদমিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৪ অরিবম পারিস্কানা মেটচকী ২৮শুবা মিনিটতা চনখি।

নুংথিলদা শান্নখিবা নুপামচা অন্দর-১৫গী অতোপ্পা মেটচ অমদনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কৈশাম বিরজিৎ সিংহ হায় স্কুলনা জিরিবামগী হিল ক্রোস ইংলি স্কুলবু গোল ৬-০দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা কৈশাম বির্জিৎ সিংহ হায় স্কুলগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৩ এনজি জেননা মেটচকী ৩শুবা ৪শুবা অমসুং ২৯শুবা মিনিটতা গোল অহুম, জর্সি নম্বর ৯ দিনারাজনা মেটচকী ১৭শুবা, জর্সি নম্বর ৬ অসুদোশনা মেটচকী ১৯শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৮ এনজি ঙৌবানা মেটচকী ৩৩শুবা মিনিটতা চনখি।

নুপামচা অন্দর-১৫গী অরোয়বা মেটচতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কৈশাম বির্জিৎ সিংহ হায়স্কুলনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লমজাও হায় স্কুলবু গোল ৫-০দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ থোকচোম লনচেনবানা মেটচকী ১৭শুবা, ২০শুবা অমসুং ২৯শুবা মিনিটতা গোল অহুম, জর্সি নম্বর ১১ মাইবম গুনেশ্বরনা মেটচকী ১৯শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৫ মাইবম লনচেনবনা মেটচকী ৩শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙরাং হৌদোকপা নুমিৎতা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লমজাও ইংলিস হায়স্কুলনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী হিল ক্রোস ইংলিস স্কুলবু গোল ৭-১দা মায়থিবা পীখি।

# অশোক,মালেমঙানবীদা য়াইফ মঙ্গল পীখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ১৯দগী ওক্টোবর ৪ ফাওবা জপানগী আইচি নগোয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০শুবা এসিয়ন গেমস ২০২৬তা ইন্দিয়াগী সেপাক তাক্রো টিমদা শরুক য়াগদৌরিবা সাই এস টি সি খুমন লম্পাক ইম্ফালগী এম অশোক অমসুং য়ুম্নাম মালেমঙানবীদা য়াইফ মঙ্গল পীবগী অচম্বা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অসি ওগষ্ট ২৪দগী সেপ্টেম্বর ১৫ ফাওবা সাই এন আর সি সোনিপট হরিয়ানাদা পাঙথোক্লগনি। সাই এস টি সি ইম্ফালগী মায়কৈদগী সেন্তর অসিগী সেন্তর ইন চার্জ মাইবম রামনি চনুনা মখোয় অনীদা য়াইফ মঙ্গল পীখিবদা নত্তনা ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরকপা ঙম্বা ওইয়ু হায়খি। ঙসি পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অদুদা মখোয় অনী পীক্লিঙৈদগী তাকপি তম্বীরক্লিবা সাই এস টি সি ইম্ফালগী সেপাক তাক্রো কোচ থোকচোম মুহিন্দ্রোসু শরুক য়াখি। লোয়ননা ইন্দিয়াগী সেপাক তাক্রো টিম অসিদা সাই এস টি সি ইম্ফালগী হান্নগী ইনমেট ৮সু শরুক য়ারি। মখোয়শিং অদুদি য়ুম্নাম অকাস, এস মালেমঙানবা, দব্লিউ হেনরি, এলাংবম লুখোন, ওইনাম চাউবা, এ মাইপাক, এলাংবম প্রিয়া অমসুং এলাংবম শিলপানি। মখোয়শিংদসু সাই এস টি সি ইম্ফালগী মায়কৈদগী য়াইফ মঙ্গল পীবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগীতা নত্তনা লমদম অসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়খি। পনবা য়াবদি ইন্দিয়ান টিম অসিগী কোচ ওইনা পঙান্থম সুরজিৎনা ওইরি।

# টিম ওফিসিয়েলশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)না শীন্দুনা মথং থা সেপ্টেম্বর ১০দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ডা. তালিমেরে আও জুনিয়র গালর্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫-২৬ টয়র-১দা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী টিমগী ওফিসিয়েলশিং ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না লাউথোকখ্রে।

ওফিসিয়েলশিং অদুদি শমজেৎশাবম হেমারানিনা টিম মেনেজর, থোগ্রাম কুঞ্জাঙানবী চনুনা হেদ কোচ, সুর্জিৎ নাওরেমনা এসিষ্টেন্ট কোচ অমদি লাঙ্গোলজম প্রিনকিলাতানা ফিজিওথেরাপিষ্টনি হায়না অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরী এল জয়তিমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

অন্ধ্র প্রদেশকী অন্তাপুরদা লৈবা রামকৃষ্ণ মিসন অশ্রাম গ্রাউন্দদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটতগী লাকপা টিম ১৫না গ্রুপ-৪ থোক্না খায়দোক্লগা শরুক য়াদুনা অথোয় অহেন তান্নগনি। গ্রুপ-৪গী ৱিন্নরশিংনা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনগনি।

নাকল অমরোমদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)গী এগজিক্যুটিভ কাউন্সিল মীটিংগী ৱারেপ মতুংইন্না এসোসিয়েসন অসিগী স্পিসিয়েল জেনরেল বোদি মীটি অমা পাঙথোক্তুনা এন এস জি এ অমসুং ,ন এস জি রুলগী মখাদা এ আই এফ এফগী লাইনদা ওল মণিপুর ফুটবোল ফেদরেসনগী কন্সটিট্যুসন এমেন্দ তৌবগী ৱাফম খন্নগদৌরি।

দিষ্ট্রিক্ট এসোসিয়েসনশিংনা মেম্বর অমম খনগৎনবা অমসুং ভচ্যুয়েল ওইনা শরুক য়াবা ঙম্নবা মখোয়গী ইমেল আইদি অমসুং কন্টেক নম্বর ওগষ্ট ৩০ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্নবা খঙহল্লক্লি।

# ২শুবা মিষ্টর নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিজিক চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ

অমবৱানা শীন্দুনা থা অসিগী ৩০গী নুংথিল পুং ২ তাবদা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা নাগালেন্দনা য়ুম্থু ওইদুনা সেপ্টেম্বর ১১দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ২শুবা মিষ্টর নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিজিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা শরুক য়ানবা ষ্টেটকী টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরী য়ুমলেম্বম সুনন্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসি কেটাগোরি ৩ থোক্না হায়বদি মেন'স বোদি বিল্ডিং (মেজি ৫৫, কেজি ৬০, কেজি ৬৫, কেজি ৭০, কেজি ৭৫ অমসুং কেজি ৭৫ মথক), মেন'স স্পোর্টস ফিজিক অমসুং ৱুমেন'স মোদেল ফিজিকতা অথোয় অহেন তান্নগনি।

# এসিয়ন গেমসতা শরুক য়াগদবা ষ্টেটকী সেপাক তাক্রো শান্নরোই অমসুং কোচ ইম্ফাল থাদোকখ্রে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ

চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ১৯দগী ওক্টোবর ৪ ফাওবা জপানগী আইচি নগোয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০শুবা এসিয়ন গেমস ২০২৬তা ইন্দিয়াগী সেপাক তাক্রো টিমদা শরুক য়ান্নবা মণিপুরগী সেপাক তাক্রো শান্নরোই মরি অমসুং কোচ অমা ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

খনগৎলবা শান্নরোইশিং অদুদি এস মালেমঙানবা সিংহ অমসুং এম অশোকনা মেন'স কেটাগোরিদা অদুগা ৱুমেন'স কেটাগোরিদনা ওইনাম চাওবা দেবী অমসুং য়ুম্নাম মালেমঙানবীনি। অমদি পি দুর্জিনা কোচ ওইনা শরুক য়াগনি।

মণিপুরগী শান্নরোই অমসুং কোচ অসি সেপাক তাক্রো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা লাক্লিবা এসিয়ন গেমস অসিগী শেম শাবা ওইনা নেসনেল কোচিং কেম্পতা শরুক য়ানবগীদমক খনখিবনি।

সোনিপটতা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল কোচিং কেম্প অসি ওগষ্ট ২৪দগী সেপ্টেম্বর ১৫ ফাওবনি। মসিগী মতুংদা ইন্দিয়াগী সেপাক তাক্রো টিম অসি সেপ্টেম্বর ১৫দা ইন্দিয়া থাদোক্কনি। এসিয়ন গেমস অসি সেপ্টেম্বর ১৯দগী ওক্টোবর ৮ ফাওবা জপানগী আইচি নাগোয়াদা পাঙথোক্কদবনি।

# নোর্থ ইষ্ট জোন শুটিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদবা শুট্টরশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ

থা অসিগী ৩০ ফাওবা গুৱাহাটিগী খানাপারাদা লৈবা অসাম রাইফল এন্দ শুটিং এসোসিয়েসন, গুৱাহাটি স্পোর্টস শুটিং রেঞ্জতা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৩শুবা নোর্থ ইষ্ট জোন শুটিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ানবগীদমক্ত ষ্টেটকী শুটর অমসুং ওফিসিয়েলশিং মণিপুর রাইফল এসোসিয়েসননা খনখ্রে।

খল্লবা সুটরশিং অদুদি হুইদ্রোম জোন, নাওরেম কদমজিৎ, নেলসন হুইদ্রোম, চেতনন্দ রাজকুমার, দেবরাজ লাইশ্রম, লৈহাওথাবম রিশিরাজ শর্ম্মা, ষ্টেসি লৈতান্থেম, ইরেংবম চিংখোম্বি, ওইনাম তানিয়া, অশেম কেনেদি, কাংজম অকান্ত, সলাম গার্লিন মৈতৈ, অমাকচম য়ুহেনবা মৈতৈ, আরকে সালেন্দ্রা, হেন্থোইবা সাপম, খুঞ্জামযুম ভিক্টর মৈতৈ, রাজকুমারী স্বীতি, য়ুম্নাম থাসনা দেবী, য়াইফবী চনু লৈথাংবম, ৱাঙ্খেম মোঙোলিয়া মৈতৈ, খুন্দোংবম সৈত্যাজিৎ, নোংপোকঙানবা থিংবাইজম, শিজ াগুরুময়ুম সর্দা, গুরুময়ুম পৃথিবিরাজ শর্ম্মা, পঙান্থম চরনজিৎ, অরিবম প্রাবিন শর্ম্মা, পঙান্থম পুঞ্জাবিহারি, ৱাঙ্খেম কর্ণজিৎ মৈতৈ, গ্রেসি সাপম, রোয়ালজিৎ খাঙেম্বম, সোইবম চিং চিং মৈতৈ, রিসাভ অহোংশাংবম, লাইফ্রাকপম রাজেস, শ্রীনিবাস সিংহ লৈমাপোকপম, মেমতোমবী য়েলাম, য়োইহেনন নিংঙোম্বম, ওইনাম লাবিস, রাজকুমার জেহন, স্যলভিয়া লৌক্রাকপম, মার্গেস অশেম, অর্বিন ইরুংবম, লাইশ্রম প্রকাস মৈতৈ, হেরিকোনবা মঙাংচা, মানিশ থৌনাওজম, সলাম দানিয়েল, ইরোম সত্যাবন্তা, ৱাঙ্খেম তোমথিন মৈতৈ, নোংথোম্বম রনবির, লনচেনবা নোংথোম্বম, রতনকুমার মৈতৈ খানম, অরয়ামান লাইরেঞ্জম, চিংলেম্বা লাইশ্রম, গুরুময়ুম দিমজিৎ শর্ম্মা, লোইতোংবম সাচিল, সোননিবালা য়ুমখাম, নারুম্বম আইশা, পুখ্রম্বম সোফিয়া, নিংথৌজম সন্নি সিংহ, লাগোলজম হেক্টর, ক্ষেত্রিময়ুম সোভা অমসুং থৌনাওজম চনক্যানি।

টিম অসিগী কোচ কম মেনেজরনা সিনাম সোমোরেন্দ্রো মৈতৈনি।

# শিংজমৈ কাংখুৎ মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ য়াইস্কুলদা লৈবা শ্রী শ্রী রামগোপাল দেব মান্দপতা চৎথরকখিবা লৈমারোল কাং লীগ টুর্নামেন্ট ২০২৬তা শিংজমৈ কাংখুৎ মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবদা শিংজমৈ কাংখুৎনা এ কে য়ুবু পাঞ্জল ৭-২দা মায়থিবা পীদুনা মায় পাকখিবনি। মেটচ অসিদা শিংজমৈ অহানবা হাল্ফ পাঞ্জল ৩ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৪ স্কোর তৌখি। মায়থিহৌরবা এ কে য়ুনা অহানবা অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল অমমম খক স্কোর তৌখি।

টুর্নামেন্টগী মথংগী মেটচ সেপ্টেম্বর ২দা য়াইস্কুল কাংখুৎ অমসুং শিংজমৈ কাংখুৎনা শান্নরগনি।

# লিজেন্দরি হোক্কী আইকোন মেজর ধ্যানচান্দগী মপোক নুমিৎ নেসনেল স্পোর্টস দে থৌরম পাঙথোক্লগদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ

চৎলিবা থা অসিগী ২৭ লাক্লিবা শগোলশেন নুমিৎতা লিজেন্দরী হোক্কী আইকোন মেজর ধ্যানচান্দগী মপোক কুমওনগা মরী লৈন্না নেসনেল স্পোর্টস দে তোঙান তোঙানবা মফমদা পাক শন্না পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌখ্রে।




সাউঠ ইষ্ট মণিপুর কোলেজ (সিম্পো) চান্দেলগী এন এস এস য়ুনিটিনা শীন্দুনা থৌরম অসি পাঙথোক্কদৌরি। থৌরম অসিগা মরী লৈন্না ঙসি পাউমীশিংদা এন এস এস য়ুনিট (সিম্পো)গী প্রোগ্রাম ওফিসার দা. ঙমথেম সেরবুমনা হায়, লৈবাক শিনবা থুংনা খেলো ইন্দিয়া সমৱাদকী মখাদা মরুওইনা নহারোলশিং, স্পোর্টস দিলভপমেন্ট অমসুং নেসন্স বিল্ডিংদা মীৎয়েং থমদুনা থৌরম অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি।

থৌরমগী মনুং চন্না সিম্পো অমসুং য়ুনাইটেদ কোলেজগা খুৎশম্নদুনা নহারোলশিংনা হকথেংন্না স্পোর্টস পার্সনশিংদা, এম পি অমসুং এম এল এশিংগা ৱারী ৱাতাই শান্নবগী খুদোংচাবা লৈগনি। অসিদসু নত্তনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মখাদা চহী ১২ রোম অসিদা ইন্দিয়াগী স্পোর্টস ইকোসিষ্টেমদা অহোংবা কয়া লাক্লিবশিং অসি নহারোলশিংদা খঙহনগনি হায়রি।

নুমিৎ অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ভাচ্যুয়েল ওইনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ১,৬০০রোমদা পুনগদবা নহারোল লাক্ষ ৮ রোমদা ৱাং ঙাংগনি হায়রি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু থৌবাল কোলেজ অমসুং ৱাইখোম মণি গালর্স কোলেজতা থা অসিগী ২৭ নেসনেল স্পোর্টস দেগী ষথৌরম পাঙথোক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা, নহারোলশিং, মহৈরোই অমসুং শান্নরোইশিংগা হকথেন্না ৱারী শান্নবগী খুদোংচাবা পীগদৌরি।

থৌবাল কোলেজতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা মাই ভারত থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ ওফিসার ভিসাল ধাকদনা হায়, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ফ্লেগসিপ প্রোগ্রাম অমা ওইরিবা থৌরম অসি লৈবাক অসিগী মফম ১৬০০তা পাঙথোক্তুনা নহারোল লক্ষ ৮ রোম শরুক য়াগদৌরি। মসিগীদমক থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা থৌবাল কোলেজ অমসুং ৱাইখোম মণি গালর্স কোলেজতা শেব শাবা লোয়রে।

মামই ভারত য়ুভ কনেক্ট-স্পোর্টস ইদিসন পোগ্রাম অসি লৈবাক অসিগী ইনখৎলল্লক্লিবা নহারোলশিং অমদি শান্নরোইশিংবু প্লেট ফোম অমদা পুন্দিদুনা লৈবাক অসিগীদমক ৱাখল্লোন ফাওদোক্লবগী পান্দমসু থল্লি। মরম অসিনা নুমিৎ অসিগী অয়ূক পুং ১০ নঙনবা লাক্তুনা খুদোংচাবা অসি লৌমিনশিং হায়দুনা মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ ওফিসার মাই ভারত সেনাপতিনা শীন্দুনা খেলো ইন্দিয়া সম্বাদ প্রোগ্রামগী মখাদা নেসনেল স্পোর্টস দে ২০২৬ পাঙথোক্লবা শেম শারি।

থৌরম অসিগা মরী লৈন্না ওল্ড দিসি ওফিস কমপ্লেক্স সেনাপতিদা লৈবা মাই ভারত ওফিসতা দোন ভোস্কোর কোলেজ মরামগী প্রিন্সিপাল রেভ.ফাদর (দা.) কে ও সিভাষ্টিননা হায়, মেদিয়াগী মীওইশিংদা হায়, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টসকী দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়র্সকী মখাদা মেরা য়ুভ ভারতনা শীন্দুনা নেসনেল স্পোর্টস দেগী থৌরম অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি।

থৌরম অসি চহী খুদিংগী ওইনা লিজেন্দরি হোক্কী প্লেয়র মেজর ধ্যানচান্দগী মপোক কুমওনগা মরী লৈন্না পাঙথোকপনি।

পাউমীশিংগা উন্নবা অদুদা দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ ওফিসার মাই ভারত সেনাপতি পি রেবিকা রংনামৈনা হায়, থৌরম অসি দোন বোস্কোর কোলেজ মরাম অমদি অসুফি খৃষ্টিয়ান ইন্সটিট্যুট মাও পুনানামৈদা মতম অমত্তদা পাঙথোক্কনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, সেনাপতিগী নহাশিংনা থৌরম অসিগীদমক দোন বোস্কো কোলেজ মরাম নত্রগা অসুফি খৃষ্টিয়ান ইন্সটিট্যুট মাও পুনানামৈদা মতম চানা লাক্তুনা খুদোংচাবশিং অসি লৌবিয়ু হায়খি।

দোন বোস্কো কোলেজ মরামগী এন এস এস প্রোগ্রাম ওফিসার জোন ব্রিতোসু শরুক য়াখি।

# সিঐচ নিংথেমদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি




ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ জিট কুনে-দো এসোসিয়েসনগী মেম্বর অমসুং টেক্নিকেল ওফিসার ওইরিবা ডা. চুংখাম নিংথেম সিংহদা পদ্মা শ্রী গৌরভ সম্মান এৱার্দ পীরকপদা এসোসিয়েসন অসিনা হরাও তয়াম্বা অমসুং থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মহাক অসি নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেল জিট কুনে-দো চেম্পিয়ন্সিপশিংদা মেদল কয়া লৌবা ঙমখ্রবা শান্নরোইনি। থোয়দোক্না পনবা য়াবদি থাইলেন্দগী পটয়াদা পাঙথোকখিবা জি কুদে-দো চেম্পিয়ন্সিপ ২০২২দা গোল্ড মেদল লৌদুনা বেষ্ট ফাইটরগী এৱার্দ ফংলকখি। লোয়ননা নিংথেমগী তুংগী পূন্সিদা হেন্না মায় পাকপা ওইরসনু হায়না এসোসিয়েসন অসিগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা য়াইফ থৌজালসু পীখি।

# এমিমাইদো অমসুং ৱাই এম দি ওনা ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা নুপাগী টিম ১৫না গ্রুপ-৪ অমসুং নুপীগী টিম ১০না গ্রুপ-২ থোক্না খায়দোক্তুনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মুইরৈদা চৎথরিবা ৫০শুবা সেনিয়র মেন'স এন্দ ৱুমেন'স ষ্টেট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬গী নুপাগী ফাইনেলদা এমিমাইদো ময়াং ইম্ফাল অমসুং ৱাই এম দি ও হৈরাংগোইথোংনা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ক্বার্টর ফাইনেলদা এমিমাইদোনা এন ৱাই ভি এবু সেট ৩-০ (২৫-২১, ২৫-১৮) অমসুং ২৫-২৩দা, এস সি ৱাই সিনা এন এস য়ুবু সেট ৩-০ (২৫-২০, ২৫-১৮, ২৫-৮)দা, ৱাই এম দি ওনা এম ৱাই সিবু সেট ৩-০ (২৫-১৭, ২৫-১৫, ২৫-২৩)দা অমসুং এম পি এস সিনা ইগলবু সেট ৩-০ (২৫-১৬, ২৫-১৮ অমসুং ২৫-১২)দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

অহানবা সেমি ফাইনেলদা এমিমাইদোনা এস সি ৱাই সিবু সেট ৩-১ (২৫-১৯, ২৫-২২, ২৩-২৫ অমসুং ২৫-২১)দা মায়থিবা পীরম্লগা অমদি ৱাই এম দি ওনা এম পি এস সিবু মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকপা ঙমখি।

নুপীগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদনা এম পি এস সিনা এম ৱাই সিবু সেট ৩-০ (২৫-১৪, ২৫-১২, ২৫-১৩)দা, এম আর সিনা টি এন ভি এস এবু সেট ৩-০ (২৫-১৬, ২৫-১৩, ২৫-১৮)দা, টি আর ৱাই ভি সিবু ইগোবু সেট ৩-০ (২৫-১৪, ২৫-১২, ২৫-৮), এস সি ৱাই সিনা সি ৱাই সি সিবু সেট ৩-০ ( ২৫-২৩, ২৫-২৩, ২৫-১৭)দা অমদি এম ৱাই সিনা টি এন ভি এস এবু সেট ৩-১ (২৫-২৩, ২৫-২২, ২২-২৫, ২৫-১৬)দা মায়থিবা পীখি।

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77;
e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com